
অক্টোবর ফিরোজা



78:5/Ruan
Angculin Shyel
Layanyamba, Kh

গোসাইবা খুমাংজমচা



অঙৌবা ফিজোল

([illegible])

(অহানবা তাঙ্কক)

ফোঙজবী--

এলঃ ববিতা চনু

স্পোন্সর—

য়ুথ সেন্টর, শগোলমাং

সি/ও আউটি ক্লিএ[illegible]স ফোর হ্যাণ্ডেল এফিয়ারস (আশ)

শগোলমাং।



অহানবা ফোঙবা [illegible] ইং, ১১-এপ্রিল।

কোপী মশিং—১০০০ (লিশিং অমা)

ফংফম থোকপা পুস্তক অফোংবগী নি

মখুম যেকপা - শশিকুমার (ইঙোচা) সিংহ

কৈথী হৈকক মপাল।

মখুম নম্ফম—থাবা প্রিণ্টেদ, শগোলমাং।

মমল - লুপা ৩০/-

নম্ফম -- বিঃ এমঃ প্রিন্টিং রার্কস, খুরাই লম্মোং বাজার

ৱাহৈ খ[illegible]

অহানবমক্তদা ইরমদম ইবৈচা খুদিংমকপু ইকৌক্ৰিক নৈজবি।
লোয়ননা টং কুমজা ১৯৯৬ তা খুদোল তমজগে হোৎনজরম্বা
"অঙৌবা ফিজোল" হায়না মিংথোনজবা লাইরিক (উপন্যাস)
অসি খুদোংচাদবা থরদগী মীয়ামগী মফমদা মতম চানা পুথোকচবা
ঙমজখিদে। অহুবু লাইবক ফবদি লাইরিকয়েংবম ববিতা চম্ম
(এম: এ: প্রিভিয়স, মনিপুরি) ভিরিবাম বিদ্যানগরদা লৈবা মরুপ
অসিগী মতেংগা লোয়ননা মীয়ামগী মফমদা খুদোলসি তমজরি
অমসুং লাইরিকয়েংবম ববিতাগী মফমদা থৌবীমল হংবা উৎচরি।

লাইরিক অসি কোভুনবা হোৎনবদা বনাল্লচিংবগী মতাংদা
অচৌবা থৌদাং লৌবী খিবা ডি. এম: কলেজগী মনিপুরি ডিপার্ট.গী
প্রোফেসার ডা: টী.এচ: ইবোহনবীবু থৌদীমল খঙবা উৎচরি।
লোয়ননা লাইরিক অসিবু পুথোরগা হোৎনবদা য়াম্না চাওনা
পৌদাং পুবিরকখিনা বি: এম: প্রিন্টি ৱার্কস, খুরাই লমলোংগী
ইচিন-ইনাওশিংবু থৌনীমল খঙবা উৎচরি।

পুন্সিগী বসন্তনা লংকপদা লৈচন চাত্রবা সাহিত্যগী লৈরাংশিংবু
লৈশাং তঙহনজনিং হৈত-হৈত পুন্সিগী অহানবা ওইনা খুদোল
তমজবসিদা অচুম-অবান নিংশিংবীরবপা অমদি চুমথোকপীরকপদা
তরাম্না ওকচরি অমদি মথংগী খুংনমদা চুমথোকচনবগী খাই
পুম্নমক্কগী অয়াবা লৌভরি।

অইবা—

লোয়াঙম্বা খুরাইজমচা

শগোলমাং।

ৱাহৈ খরা

মৌনা সাহিত্যগী লৈকোন্দা লৈশাং তমলকলিবা লোয়াঙঙ্ঘা খুরাইজমচাগী "অঙৌবা ফিজোল" হায়না মিংথোন পীবা লাইৱিক (উপন্যাস) অসি খুংই ওইনা লৈবিৱৈদা পাজখি। লাইৱিক অসিগী ৱাহৈ . ৱাতানচিংবা খ্বাই পুন্নমক্তগী ময়েং ইত্তা তাদে হায়জনিংই। মুংগী ওইবা ৱাখল্লোনশু য়াম্না ফজনা খুং থাই' লাইৱিক অসিমক পাজরুবদা মীয়ামগী মফমদা ফোঙজনিংলগী ইথিল অমা তরুনা ঐগী থম্মোয়সিদা কাওবকপগা লোয়ননা লোয়াঙঙ্বা খুবাইজমচাগী মফমদা ছাপা ওইনা মমনবগীদমক অয়াবা লৌজখি অমসু' হরাও-তয়াম্না অযাবতু পীদীরকখিবগা' লোয়নন্' খ্বাই পূন্নমক্কী মফমদা লাইৱিক (উপন্যাস) সি ফোঙজবা ঙমজখি। অশোয় অঙাম শেমদোকপীরকপা অমদি চুমথোকপীরকপদা মীয়ামদগী হরাও-তয়াম্না ঙকচরি।

লাইৱিক অসি ছাপা ওইনা পুথোক্লুবা তোংনবদা অচৌনা থৌদাং লৌবিখিবা বিঃ এমঃ প্রিন্টিং ৱার্কস, খুরাই লম্লোং বাজারগী ইচিন-ইনাওশি'বু থাগৎচবগা লোয়ননা পুম্নমক্কী শিংবা ঙম্নবোইদনা মমন অমা তেনশিঙ্গরবনি।

ফোঙজবী ঃ—

এলঃ বর্ষিতা চনু

এমঃ এঃ প্রিভিয়স. মনিপুরি

বিদ্যানগর জিরিবাম।

ৱাংত্ খরদং

"অঙৌবা ফিজোল" কল্লনাগী থোক্তদোকপা মঙ্গন য়াওবা অপীকপা উপন্যাস অমনি। নত্তা ওইত্রিবা উপন্যাসক'ব অসিনা নত্তা ওইত্রিদৈ পুন্সিগী মঙলান, আশা অমদি নীংবা কায়বগী শক্লোন কথা উপন্যাস অসিদা উৎলি। ফুংশি মুংঙোলনা মপুং ওইবা ৱারীনি। 'ঐ' হায়না ৱারী লীবগী মওংদা চংথবনি। অতুনা উপন্যাস অসিগী ৱারী অইবা মশাগী হকথেংনবা থৌদোক্তা দুখম ওইবা ওইনা থোকতল্লি! ৱারী লীরিবা 'ঐ' হায়বসিনা উপন্যাস অসিগী হেবোম্বু ওইরি। মহাক্না জিরি নমদম চংপদা জাতি তিগ্নদনা সুনিতা কৌবী মশক মতৌ ফজরবী লৈশাবী অংগা ফুংশিনগী মঙলান্দা ঙাওশিন্নখি। সুনিতাগা অসুম ংকশিন্নরুবদগী হপ্সোই থম্মোইগী ওইবা থাদোকনবা ঙমদবা মরী অমা লৈননকশি। লব ইজ ব্লাইন্দ হায়বতুনি, জাৎ তিগ্নদবী লোন তিগ্নদবী সুনিতা কনানো হায়বা থোইনা খিজিল্লুদে। মতম চুপ্পদা অঙৌবা ফিজোলত্তা শেংলিবী সুনিতাগী মশক তপ্প খঙলকই। ইনখংলকপা মতলদা মপাগী য়াথং ঙাকপা ওইনা লুহোংলুবে, লুহোংবা মতুং ইকুই কুইদনা মপুবোইবা এক্সিদেন্ট অমদা শিগ্রে। থৌদোক অদুগী মতুংদগী সুনিত অঙৌবা শঙ্গিতনা মহাক্কী ফিজোল ওইত্তুনা লাকশি। হল্লকপী মৌনি খঙলক্লাওব সুনিতাবু থাদোকপা ঙমশিদে। লংলানবনি থনবা ওয়ুদনা অমন অংগী মকুমদা তম্বা ফুংশি খুদোল তবম্না লৌনখি ৱারী লীরিনা 'ঐ' হায়বসিগা মহাক্কী সুনিতাগা মতম থবা কায়নখি। জিরি থাদোক্তুনা মথুনদা চহি অমা মথায মুক লৈকই। হল্লকপদা

সুনিতা জিরি থাদোকুনা পুন্সিগী ওইনা কলকত্তাদা চংলমলে। মরমদি ইকুট কুইদনা মহাক্কী গর্ভগী মপা মশক থত্রদবা অত্তাং অমা কংখি। অত্তাংগী মপা অশেংবা তাকথোকউ হায়বা মহাক্কা য়াখিদে। মতুনা মরম ওইতুনা সুনিতা ওক্কবীশিংদা চলহনখি। থুলনা মহাকপু তাম্লোকখি।

উপন্যাসকী রারী য়াম্না ফজে। তৌবদদি নহা ওইরিবা অইবগী অহানবা থুংমাবা ওইবনা উপন্যাস ইবগী কলা থত্তবা রাংলি। ক্রাপসমেনসিফ রাংলি প্লোট ১দি চরিত্র শেমগৎ শাগৎ-পগী মায়কৈদা আশামক য়াওই। অদুবু রবী রাত্তাইনচিংবা ফোংদোকপগী মতাংদা ফজবদি য়াওদবা নত্তে। সুনিতানা জিরি থাদোক্লমদাইদা অস্রুম্না ফোংদোক্লম্মী —"ইমা ঐ ওক্কবী অমদি নত্তে। ঐগী ইচাসু অশেংবা মপা অমত্তগী মচানি। থম্মোয়ন্তু দা লাংচত্রবা মহাকপু ঐগী চৈনসিনা মশক মমিং পনহৈবা তৌনব্রা।"

নহা ওইবিনা উপন্যাসকার য়াম্না থোনা ফন উপন্যাস অমা পুথোরকপসি য়াম্না থাগৎনিংঙাইনি। মসিনা অচৌবনি চঙশিনগদবা য়াম্না রংলি। উপন্যাস ইবা অরাইবা নাত্তে। হৌজিক ফাওবদা মনিপুরি সাহিত্যদা হ যরিনা কলা অসিদা মপুং ফানা মহৈ য়াল্লবা অইবা তাংলিসনি। অইবনা হোৎনবা লেপত্রবদি নোংমদি মনিপুরি সাহিত্যগী মশক নাইবা উপন্যাসকার অমা ওইনা মদুম অমা কল্লগনি।

ইম্ফাল ডাঃ টীএচঃ ইবোহনবা।
৭। ৪। ৮৯

অঙৌবা ফীজোল



অহবা :

লোয়াঙম্বা খুরাইজমচা
শাগোলমাং

অহানবা শরুক

মতম কুইনগী আশা মঙফাওনরবোই নিংই। মসিনা ঐগী পুক্নিং ঐগী আশা কয়াদা মুংঙাইহল্লবা। অদুবু মিকুপ অমথক্কী ওইখিব্রা ? রাহং অসিগী পাউথুম পিক্রবা থম্মোয়মুংসিদদি তুংশিন্দুনা লৈরী। মপান থোক্না পাওথুমদি ইয়াং য়াংনা হেক্তা পীবা ঙমদে। পুন্সিগী পাক্লবা ঈচেলগী তোবর্বানদা নৌরেল য়াওদনা চি হোনবা অমগী শক্লোনগী মায়থুম উপত্রবা ঐগী পাঙলনা কদাইফাওব যৌনিংবা হিদেন্দ হিরি ফারুগনি ? মালংগী হুম্নকপা তাম্বাদা অদুম তাওথখিবা তারি। অসুম্না পুন্সিসে মুংঙাই খন্দুনা। শকখিগনি ঐদি মাল্লজিগী ঈশৈ, ঐগী পম্বুংকম য়ৌদ্রিফাওবা।

মুমিংতু ডিসেম্বরগা তাং ১২ নি। জিরিদা ঐগী অনিশুবা খোঙচৎ, হয়েংদি চৎলনি হায়রবা মুমিংনি। কুইনা চিনসিদা ঙংলুদ্রবা ঈশৈ মতেক অমত্তু ঙংখি। মতুনি ঐগী কুইনগী আশা মঙফাওনহল্লে হায়খিবতু। ঐগী পুক্নিংদা হয়েংমক চৎলনি হায়রবা শোয়দ্রফাওব ঙাইঙমদবা অমদি ইতং ততুনা ফাওই। হৌজিকমক হেক্তা চৎলবদি পুক্নিংগী ঙাইঙমদবা খোইরাংবা কোক্নদ্রা ? মতুদসু অমুক পেল্লক্লোই মিংনা কুপ্পদা মফম অদু য়ৌনিংঙক্কনি। মফম অদুদা মমল ঙাংবা সনা-লুপা, হিরা, মনি-মুক্তা কয়ামরুম লৈব্রা ? মীওইবনা পাম্মী অসিংঙম্বা সনা-লুপা হিরা, মনি-মুক্তা

কয়ামরুম। মসিগুম্বা কযানম্ব চাওখৎলব হুজিক্কী মতম। অকম্বনা অশোনববু নৈহৎপা, হম্বনবু উশিংপীদবা মতম, মীনা মীগী চৈরাক পীনবা ওম্লবা, মীনা মীগী আইন মীওইবদা হক্কি অগিকারদা যুমফম ওইরগা শেম্লরবা মতম অসিদা ঈশ্বরনা মীওইবা শেম্মী হায়বা অমম্ব খাক্ত পুম্নমক্কা য়ানরবস্ম মী অমনা অাইনগী রংমদা তৌরুবা মপাপনা ফাদোপ তারনম্ব ঈশ্বরনা মহু কনবা ওমদে। ঈশ্বরদা নত্তুনা খুদিংমক্কস্ব ওমদে শুপ্নী মথক্ক পনশিন হিবা মুক্তা অমম্বুং লুপাতনা অত্তুগুম্বা অরাফমদগী কনবা ওম্মী। অত্তুন ঐগী ওাইতমদবা অসিদি মফম অহান্স লুপাশি হুবু ফংগনি হায়বগী আশাদা নত্তে। হোয মখোযশিংগা চাংদমনমি হাইক করিগুম্বা ঐনা ফংগদৌরিবা পোৎশক অসিগা চাংনমনবম্ব মহে নশিংজুগা ঐগী ইফমদদি ঐগী পোৎশক অসিন মমল যাম্বা হেল্লি। অত্তুগুম্বা মনত্তিকনবদা ঐগীদি মংল লেপ্পে। কনাহম্ব কনাগুম্বী অমগা মফমদমি থাংনোক্ক লৈনমদবস্ব হই। মসিথক্তনি শাগী ওইজবা আইন স্না-লুপা মনি মুক্তান ঐগী চৈরাক্তা কনবা ওমদনা

"ইস মুথিল তু লিগ্র ? য়েংনিংদে সৎ-সৎ হৌগৎল্ল" ঐহ ক জাইহাক টইরোন উইবোন তুমনুরমাম্লে। ম কপ থোক্লকপদা ঐগী মরুপ থম্বদো ঐগী লুখুম ওইরপনা যংহুনা লৈংম্ম। ঐহাক খুম্বা নংদ্রি রাহৈ অমমুক নোংশিল্লকই--

"করিনো নঙনা তৌরিবগিবো ? ঐনদি নংহৌররোক্ত থেংদোকখগনি হন্দুনা লাক্লি, অতুগা মুংজাইনা তুমহুনা লৈথোক্লদনা।"

ঐ ক ওক্নরে, ঐনা ঙসাই অয়ুক, মুংখিলদা বস পার্কিংদা টীকেৎ ককমিন্নরুসি হায়খিবনি।

মাগী মায়থোংদা অশাওবগী মমি তাই। ঐহাক নোক্লিংঙ্গবসু উপাই লৈত্তে, নোক্লহুনা অমুকসু করেমনবি—

—"ঙসিনা করম্বা মখলগী নোংলৈ মু শিংনো?"

—"থোইদৌ শাওগৎপগী নোংলৈ মুংশিংনি"

অসি হায়রহুনা মহাক নোকথোরকই। মরমদি ঐসু খঙদে। ওইরম্বদি য়াম্ব ঐগী বাইদ মত্তেক অহুদা। মথা তানা হায়রকই—

—"ফাগী নত্তে নংবু হয়েং চৎলরোই হায়রিব্রা?

ঐনা ঙক্না হায়—"করিগী চৎলোইদৌরিবনো, চৎনবগীদমক টীকেৎ ককমিন্নরুসি হায়বহুবু কাওলব্রা?

—অহুগা করিগা ভজিক ফাওবা করিমতা থোরাং তৌবগী মমিদি উবেদন।" ঐহাক মহাকা পাউখুম পীরুদনা নোক্ল্পাও ফুরিং লিংপা লাক্লরি

ঐগী পুরুপ খম্বা মপুক চম্মী। ঙাংনিংবা কয়াদা মঙোন্দা বন্দ লৈত্তে। ফাগী জুগাই পাম্মী। অয়াম্বা মতমদা ফাগী জুগাই তৌবা মতম লেপ্তাকপা মাগী হৈনীগি। অঙাং পীশক ওইরিবৈদগী স্কুল অমতদা তম্মীন্নরকই। স্কুলদতা নত্তনা অরেম্ব মতম কয়াদসু শুকখ থানদনা শামগীন্নরকখি মংগী নোঙচৎ মতুং ইন্না মা ঐ লাইন তোঙান্না খৈনকুনখি অহুমকপু মা ঐ শিনফম থেন্নজরবসু হকচাংদি অমতনি হায়বদ থোইদোক্না হায়মনবা থোক্লোই। করিগুম্বা অমবু ওইরবসু অমবু ওইববসু

ঐখোয় অনিমক্কী অয়াবা অমদি তেক্কা চংই। ঐনা য়ানিংব্রবা মচু মহাক্কী অপাম্বা ফনা ওইরবস্তু পাংথোক্লবা ওমদে, ঐস্তু অদু মঙাই।

উচিন নাচিল্লদি ফিরোল শেংচিনবা ফাওবদি লোয়রে। মহাক অদুম করিগত্তা হায়দনা ঐনা তৌরিবা পুম্নমক অরাওবা মমিং অদু কোইরৈ লৈহনা য়েংঙি। তৈবন্দা লৈরিবা শংজেং মিংশেন অদু পায়থংতুনা শমজেং হাংলা হৌবদা ঙাইরি হায়রকই – "ওস্থোক্লা কেথ্রেদা……ঐখোয়না চংকদৌনিথসে অা জিরিদা নত্তেয়ে, সুনিতাস্তু উনরোইয়ে।" ঐহাক থজিক্ত ইকাইবা ফাওথিবঙুম তৌই। অদুম ওইনমক ঐহাক য়াহৈ মথা তাবা ঙমদ্রে মহাক্লা হেনজিল্লক্লনি হল্লুবদনি

মতম কুইনা উবা ফংলুব্রবা সুংশিবা মাইথোংদা শোয়দনদি উরগনিকো। অমুকস্ত মহাকপু মফম অদুদা লেংদনা লৈরমথদ্রা? পুর্নিমা, থাশি, বসন্ত, নাকেন্থা মখোয়গী খোঙচংতি কায়ত্রি। খোঙচং কায়গল্লবা মীওইবগী খোঙচংপু কনানা "সিনি" হায়বা রাখলনা কবমনা লাম্বা ফংলগনি। পুম্নমক 'ও' হায়রবা মতমদুদা নোংদম্বদা মরাল শিনৈ। মতুনা অরানা কোকপ্রা, কোক্লোই। তাইনবা কঞ্জখা মগৌশাগী লোয়নরক্লব হুন অদুতবু উংথোক্লবনি। অফবগী মায়পাকপদা নোংদম্বা খিনি থক হায়নদে। নোংদম্বা বিথি হায়বসিবু মায়পাকপগী মরুপলা? অদুগা অল্লাবশিংগ দমক য়েক্কব্রা?

অমরোমদা মসিবু নাথৈহন্না থমগ্রগা ঐগী অমতা ঙায়রবা আশাদি বসন্তগী খোঙচৎ কায়দবঙ্গুম বসন্তগী অসুক অসিদা মতম কুইনা কায়নহৌরবী জিবি লমগী সুনিতা ঙাইরমখিগনি ঐগী মায়কৈ য়েংহন্না। ঙাল্লমখিগনি মেরাগী পুর্ণিমাঙ্গুম।

কংথিবা য়াই নাকেন্থাগী মুংশি হৈত্রবা শাজন্তা মনিং তমজরবা লৈরাং কয়া লেংলি পাল্লিবা পুম্নমক। অহুবু লৈয়াংদ্দিংগা চুংশিগী লমদা নিঙোল ওইবিশিংগা চাংদয়রবস্তু নাবেঙ্গা কয়া কয়ানা খম্মোয়গী অশেংবা মুংশিবদা মায়থিবা পিবা ঙম্মোই। মুংশিবগীদবক কনাস্তু কিরুদে মীকিথি ওইহনস্তু। অহুঙ্গা মীকিথি কয়ানস্তু অসিঙ্গা অমগীদমক হেন্না পাম্বোম থিংবা ঙম্বা।

ঐখোয় অনি হল্লকপদা নিংথমথানগা ওইবনা পুমনমশিল্লম্লে। থম্বা ঐগী কাম্নুংদা লোংথাক লোংনা তুম্নহনা হায়রকই—"মরুপ ঐহাক তশেংনা মুংঙাইবা অমা ফাওই। সুনিতাগা ঐগা করম্বা মরি লৈনথিবনো ঐ খঙদে। বরিগীদমক ঐনা মাগীদমক হাম্বিবা? নত্তে মাবু ঐনা কম্বিঙ্গম্বা উথিবা লৈথিবরা?

'নঙগী সিদি ঐ তশেংনা চিংনবক্লেকো। ঐনা চৎকদৌরিবা খোংচৎসে নঙগীদমক ওইথিবা শোয়রোইকো। মহুদগী ঐনা করম্না তৌহৌবা"

—"মহুদি নপুক ফত্তবগী হানিদনা।"

—"হাম্না থজহৌদবা য়াদবদো।"

ঐহাক নোকই, মহাকস্তু হাইফেং লোকথি। তশেংবদি ঐখোয় অনিনা ঙাংনরিবহু কাগী ঙাক্তনি। অসিঙ্গম্বা

ওইথোক্লোইদবা রাইহে কয়ানা মা ঐগী পোথানফম হেক হেক ওইরিবনি।

মহাক্কা শকক হঙিল্লগা হায়রকই—

—"হায়রক্ষু হায়বনি, নহাক মহাকপু শোয়দনা পুরকউকো মানা নঙগীদমক কয়াদা রাজরমগনি হ'য়বা নঙনা হেন্না খঙফম থোকই। ঐদি নঙগী রারীখঙনা। খরা অঙুক খঙলুবা অহুখক্কনি। "মাবু পুরকনি হায়বগীদমক নত্রা ঙসি ঐনা লেপ্পিনা ক্বিরেপসে। মরাইবক খাঁরবনি হায়বা ঐস্মু খঙলিবনি অহুগীম্মু মথক্তা ঐগী মৈশা অমুকম্মু পুরক্গনি মহাক"

ঐগী পুকচেন খঙলবদা মরুপ থম্বদো হিপলম্বদগী তৌগংলহুনা হায়রকই— করে ঐহাক অমুক থেঙত্রে চংগ্রগে।" চাক চামিল্লসি হায়রা ময়াম্রবদা কোন্থেং ফাঙবদং থিন্দোকপুই। চংলমদাইদা করেমনবা রাইহনা হায়রম্মী—"অদো সিলচরগী প্রেমতলাহুদি চংলুম্লকো।" খম্বা চংগ্রে ঐহাক নোকুনা তাকৌই।

.অকোনবগী রাইহু স্নিতাগী মতৌ তম্বা রাইহেনি। নিংশিংলি অহুউঙ স্নিতানা ঐঙোন্দা ইকোই কোইদনা হায়থিবা রাইহু— "ঘন লমচাগী মতৌগুম সিলচরদা চংলিবনি হায়হুনা প্রেমতলাগীদা দাদা চংলুম্লকো।" ঐদি ওক্লবীশিংহুগা নকশিন্নবা পামদে। ঈ থাংনা ঙৌরবা মায়থোংদা রাশি চাপ্পবা তরাওবী মিংসনা অনিনা ঐঙোন্দা তঙক-তঙক য়েংহুনা নোকফেং তৌরকপহুদা মিংফম হোংদনা মিকুপ খরদি ঐস্মু রাখল চোইরবা মিশক অমগুম লেপ্পুনা লৈখিবগুম তৌখি। মথা শমথয়কই—

—"করিনো অদুক মুন্না য়েংলিবচবো ?

– 'সুনিতা নঙসে য়াম্না ফজেকো।"

--''অশেংবগী ফজবরনে ?'' নোকখেং তৌনা ঙাইনরকপা র হৈনি।

পীকতক তৌবা চিনবান্দুদা পেনবা লৈতনা চুপখি। মহাক করিস্পু হায়রকখিদে। অতেবা মন অমম্ম ঐনা তৌরিমখে য়াখি। অদুবু কাইনথংদা ঐবু ইপ্তোক্লদুনা হায়রকই—

– 'য়ারেসে দাদানা উখ্রবদি মঙং অমা চাররোই ''

অসি হায়দুনা পানশিনবা লোইহৌদ্রবা ঐগী কুদাম অত তপনা–তপনা পানশিনখি।

হায়রকই "অদো প্রেমতলাদো . ।"

—'নঙসিমা পাখং চাওমল্লি, অদুগুম্বা কয়াগা লোয়নবা পাম্লমগনি খনদ্রনে ? ঐগী মহাক লৈরিবসিদি।'' অসি হায়দুনা অমুক্তং চেংনা ইথাদা কোনশিনজখি।

হৌদ্রদা মতমগী ম্নংঙাইবা ৱারীনা নিংশিংহল্লবদা ঐগী হৌমোয়সে থক-থা ওনকুম তৌই। হে নিংশিংবা! মহাক লৈরমদ্রবা করি ওইবগনি ঐগী পুন্সি ? নিংশিংবা নঙদনা ঐবু পোখাহল্লি অদুবু নিংশিংবনা লোংমদি কপহনখিগদ্রে মক্রগা ঙসিদি ঐহাক পেম্না কপলিদ্রা ? অদুবু নিংশিংবনা লিহল্লি ঐগী ৱাবি। নিংশিংবা লৈরমদ্রবা করিগুম্বা লিবম্লোই ঐগী ৱারী খুদিংমকতা।

অনিশুবা শরুক

ঙাইঙমদবা ইতোৌদো ঈশ্বর মানা উগ্রব্র ? অয়ুক্কী কোৱৌহঙ্গা তপনা-তপনা থোবক্কি। নোংপোক থংবা চিংযাদগী কোৱৌ মানা তপনা-তপনা ঙাম্থোবকপগী মতিক পুক্রিংদা চবাংনবা অমুক হৌরক্লে, ঙাইঙমদবা মানা হৌগ্রবস্থ। মফম খঙদনা চো লক্লি থম্মোয়গী মীহুনস্থ। কবিগীদমক কবম্বা মতমদা চোংলকখিব ওইনিগাব ইশাগী লংলা লংজিন ইথন্তনা থিজবা ঙমথিদে। অহুবু মসিন ঐস্থু লায়না হায়বা ঙম্মী মতম কুইনা উনত্রব ঐগী স্থুনিতা ঙাসিন শোযদনা থেংনরগনি, ঐবু উনমক্কদা ওইনা রহৈনা হায়রক্কনি, "কৈদোৌবগী লাকপিবিবনো" ঐনা থুমগনি, মালা লৌব লাকপনি মতুদগী ওইনরম্বা মহাক্কী মতৌ শকফম হঞ্জিননা নিঙনদবগী শুবদা অরাওবা মমিং নাওথোক্কুনা "কবি হৌজিক হায় হুবু ·· ·· হায়য়ু হায়য়ু অমুক্কা হন্না হায়যুনে।"

—ও···অহুবু···

—হায়য়ু কৈদোৌগে অহুবু কৈদোৌরবা ?

—হো নঙ লৌবা লাক্লিবনি হায়বা।

—মহু নত্তে নওনা হজিক্কা হায়বহু।

— অদুদি ঐনা করি হায়রিবা ?

—হংলিবসি ঐমনি… নঙনা হায়বদো ঐ তাহৌরিবনি।

— কৈদোৌবগী হংলিবনো তাহৌরবদি ?

— ফরে নঙগী নিংবা পূংলবদি —।

রাহৈসিংদি খোঙ্হোক ওল্লগনি, খিংবা ঙমদবা পীরাংগী চকুংকুম জ'রকনি মাগী মিৎলুদা। মতুদা ঐনা তপনা মাগী পীরাং তৈথোকনি, মতুদা মানা ইকাই খুংশি য়াম্না অহিকনবা খোঙ্জেন্দা, পায়বীরকন্নু ঐগীসিনা নত্তোন্দা অয়েংপা পীরব্রা ? মতৌ অদুদা হেন্না মাবু খুংশিবা ফাওরকনি ঐগী থম্মোয়দা মাগী মিৎলুগী পীরাংশিংদো থুং অনিসিনা তৈথোক তৈথোক্লা তোংলপ ওৌবা মাগী মরাইবক্তা চুপকনি ঐনা, সুনিতা নঙ ঐবু খুংশিব্রনে ? মতাক পাঙথুম অমতা পীরক্লোই ঐনা মথা অমুক তাগনি— শাওরিব্রনে সুনিতা নঙসে হান্নগা য়াম্না থেন্নরম্লেকো, হান্নদি নঙবু শাওবা হায়বু হৈরমদবদাইনে ? নঙ ঐ চহি অনিমুক্তং উন্নখিদবা অসিদা নঙগী শাঙ্গং য়াম্না হোংলম্লে, …..অদুগা নশক কজবা য়াম্না হেনগৎলে;……মকমসিদা লৈরিবা থবক পোত্তিং লাকপা ওফিসারশিংদি নঙবু নোংমা উহৌদবদা তুম্না য়ানরম্লোইকো।

ঐগী অকোনবগী রাহৈ অদুদা অমুকন্না মমিং অনিদো লাওথোক্লদুনা হায়রকনি— অদুক নবুক কত্তবা, নঙবু হান্নগী অদুমনা তোৌরমদবদাই কুইনা উনরুদবসিনরা নহাক হান্নগা মান্নবমত্রে। নঙগা পুক্নিং ওনখিদুনা ঐবু মথল কয়াগী তমখিবা ওইনা উন্নিগনি নত্রনে ? মহাকী অশাওবা উৎতুনা তনৌরবী থুংশা অনিদুনা

ঙমজবী থাদুনা থুৎতুম ত'শিনগনি অদুগা হাযকম খঙদনা ঐগী হকচাংসিদা মশিং খঙদনা শুবক্কনি। মতৌগী তেম্না লুংশিবগী মরম অ-দি ওইগনি মদুগী অ া ওবনা চৌকথরবদা নিঙাইদন ইথাম্লুংদা ক্তমা' কারবা মাইথোং লোৎশিনগনি, ঐনা লুংশিনা কোনগনি মাবু।

ইশা ইশাগী পোৎ চৈশিং পুবগা অমুক্তা কুপথবীরকউ। গাড়ি কন্দক্কুব অদুগী রাহৈনি। ঐগা মঙলান খোঙ্গুল অথুনা মঙফাওনহনখি। নাকলগী থোংনাওবোমদা ঙমুংং কৈহুনা যে'গোকলুই সিঃ আবঃ পিঃ এফঃ ময়াম অমা নকনা নাকন্দা লেপ্পুনা লৈরম্মী। চোক পোইনি হায়বা হৌজিক্তদা খঙলক্লী। নোংমু থিৎলি-থিৎলি চুবা হৌরক্লী। অদুক কন্না চুবা-ক্তী নৎত্রি। মনিংদগী ললোনবী ঈতৈগাগুম্বা অমনা শাওনিংনা হায়রকই— করি কান্নবা হৌজিকপু চেক তৌগে হাযরিবনো, ঐখোয়দগী ফংগদবসিবু......? অমনা অমুক ওকশিল্লকই হোযনে মখোয় মঙাইবে, মসিনা হোরেনদি অা য়ৌবদা থেংলগনি। মচিন্দা ঙাংজনতনি করিম্মু তৌনা ঙমদে ঈতৈমশিংদা। মাগী মাগী থাও পাইনবগা পরে' শ ন লেপনরিবা মঙাইকে অলোমদা মিৎয়েং থম্লগে। ঐমু অদু মঙাই ঐগী মুইকেসতু পাইদুনা মথাদা কুমথবক্তে। মযাম্না লেমশম্না লেম যাওশিল্লা। নোংমৈ পাইদবা অমনা ঐখোয় মযামগী শায় নচুগা মুইকেসনচিংবা হাংখোক হাংদোক্কুনা য়েংভি। কনি ফিংবা লৈদুনা করিবু থিবিসনো খংদে। ইথম্তা ওইবম্লোই ময়ামম্মু অদু মঙাই, খল্লিবা রা লসি।

থৱা অমদি গাডি মন্নুংদা কাখৎতুনা করি করিনো কন্না যেংলি। অসুম্না ঙহাক মতম লৌববা মতুংদা চৎপা য়বে তাল্লকই। মহৈ মহৈ মাগী পোৎ পুথংনতুনা মাগী মাগী ফমফমদা ফমংখ্রে। ঐসু অতুমংঙাই ঐগী সিত্তুদা ফংবা ঙাম্লি। নৈশাবী অমসু ঐগা সিত্তুনা ফম্নবা হোংনরকই। ঐহাক ঙহাক ঙকচান্না অহুবু রাদি কবিমতদি হায়কদ্রে। ঐগী ফমফম খোকপা যম্নগা থোংনাঙ্বোমদা মাই ঙল্লি। লৈচিন নোংফাহ মরক্তা ইম্ফাল সহব মুশি মুশি উংকই। ইম্ফাল সহবগী অকোযবদা চাংশাং পাবেংনা কোইশিল্লি। শক্তম অত উরুবদা পুক্লিংদা হায়জে. ফজৈদকো ইমা লৈবাক মনিপুর। নংগুম্না নিংথিবা অতোপ্পা মফম কদাইদা লৈব্রিবা। ইমা নংগী নতম্পাক্তা শাম্নজবা ফংজবসে কয়াদা লাইবক ফখ্রবা নচানো? নিংশিংজকইদা ঐনা অঙাং ওইরিবৈ ইবোকনা ফুঙ্গাদা ফমতুনা হায়রম্লবদো, "চীংনা কোইনা পনশাবা চীংমীনা কোইনা পনঙাকপা মনিপুর সনা লৈবাক্নি।"

মতম অতুদদা মসিগী অর্থ খঙলমদে অহুবু করিগুম্বা মতু হংলুনদসু ইবোক্না হায়রীরম্মী "হৌজিক্তি নখোয় অঙাং ওইরিবনা খঙলোই, লাইরিক কন্না তম্মু কোন্না খংজরক্নি।" অঙাং ওইবগী তৌনশা অদুম তানবদি তৌকদে।

অঙাং ওইরিবৈ খঙলমদ্রবসু হৌজিক্তি মতুগী অর্থ কয়াদা ফজরমথ্রব? মসিনক্তনা পাকথ্রবা চাওখৎপগী লমজেলদা মায়থিরব। মনিপুর অমা ওইজরবসু পৃথিবীগী ইতিহাসত ময়েক লানা হনি মনিপুর হায়না। চহি তরেৎ থুম্তাকপা মতমদা অরাবু কবম্না

মায়থিবা পীথিবা কয়াগী রাখ্রি তাখি মমাংঙৈ অহুবু হৌজিক্তি মহু কদাই লৈশ্রবগে করম্বা নোংলৈ মুংশিংকী শহুমদা ছুমহুনা পুখ্রবা অহুঙৈগী ঐখোয়গী ইতিহাস। হৌজিক্তী অচান মীরাই নাইখ্রে, থাইদোক্লবা পাম্নরে মাগী ঐগী হায়হুনা। যু-খোং খুদি দা শাফি-লানফি শেংনখ্রে, মচিন মনাও অনিগী লান-ফমসিদা। পলেম ওইবী মাদি খাম্বম্ম ঙমজদা মচিন-মনাও অনিগা ফিভমবু উরগা তত্রনা তেংথারি। ও! পামমুইদা—ইমা- চন সৈনাক মাংখ্রগনিকো মুংখ্রগনি অহুঙৈগী ইতিহাসকী মুক্ত হোংগনিকো কলম মচিন। নোংক্রগনি করাম চাওবা, কলক চাওবা মখোয়নি নিংজবা আশানা থুংলবদা। "পুং কয়া তারবগা" যাম্না মেংন হংলকপনি। ঐহাক জান থংতা তাবক্ই থুদাং থাংনহৌনা গড়ি য়েংই, পুং নিপাল মথায় তাগদোরম্লে। ঐগা সিট ফম্মী নবা লৈশাবীহুনা মথা তাবকই, নোনে য়োবদা পুং ১০ দনি থুংগনিদনা? "উম, অহুরাইদা থুংভবা য়াই।" মথা অমুক শমথরক্লি— অদোম কদাই য়োগদবনো...জিরিদ্রা?

উম, ইবেম্মদি জিরি য়োগদ্র?

উম। তেনতক্লা পাওথুম পীরকই

অম্মুম্না শাংলবা লম্বীদা থোইদোক্না লৈশাবি অমগা রাবী শান্নবসে মসিম্মু কুংঙাইবা মথল অমনি। শাংলবা লম্বীসে মসিম্মু তেম্না অমুক্তা শাংহননিংবা ফাওরকপা মতাংম্মু অহুমক ময়াওরকই। মসিম্মু ঈশ্বরগী থুংশেমদা মখোয়গী ওইবা হন অমদি চেনহল্লকপা জাংনি।

নিংশিংলকই নোংমা ঐগী মরুপ অমনা হায়রম্ন — "ভাই মুপী হায়বসে ঐদি তশে'না কি। ঐসে মুপী থিরকবিগনি কাইনা খল্লবদা নোংফাদোবসু অবিবা হেক–হেক ফাওরকইবা জাংনি। ঙাংবা লেপ্পী, ঐহাক নোক্লগা তাবতমক ত বি করিমতা হংলুবদি লৈতে। মহাক চা গ্লাসতু খুৎপাই চেংনা পাইরগা অমুক্তং চিংলগা বাহৈ মগা তাবকই— মুপী হাযবা জাংসে মখোয়না তৌগে হাযবদা তৌব' ঙম্মী। অমরোমদসু যোংচাবীগুম্বা মনাক নকলুবা থুদিংমক মখোয়না চিংশিল্লি। চাহু অমুক চিংলুরগা হায়বকই— যেংহৌ ভাই ঐখোযহুদগী তা কেনোহু মুপী থিজবোই হাযহুনা চহি ৪৯ মুক পাথং শারি ঙইরম্বদো চহি ১৮ গী লৈশাবী অমা লৌহুনা মচা মুপা অমা ফংখ্রবদনা হৌজিক্তি মাগী মুপিহুদি মচাৎম্বনি হাযবা যাই। মানা থোকপ পঙাংদা ঙাংই ঐনা তাবগী শরুকনি। হাযরকই মপাগুম্বা মুপাহুদা শেল থোল্লবনি মাক্তি কায় তোংলবনি হাযহুনা লৈবিবসিনি। ফিল্মগী হেবো কুম্বীযু হাযবম্বা ঐখোযদি অচুৎম্বা মুপী অমা ফাওবনা য়াবীদহুনা লৈবিবসিনি। আক নংগী বাহৈসিদি ঐখোয অনি পুন্না নোক্নমিন্নে।

ঐনা নোকপহু ভাইবং ফ ঙবল্লমাল্লে লৈশাবীহুনা ঙক্না হংলকই — দ'দা নথম্বা নোক্লিবহুবু কনিগিনো? ঐহাক থক্তিক ইকাইবা ফাওবকই। তেন্না পাউখুম পীথি, "কবিসু নত্তেদা।" মাহৈসিগা লোযননা থেংনাওরোমদা য়েংথোকলুবদা তম্পাক লম উ খিবমত্রে চী শাং পবেং পরেংন ইকোই কোইনা লৈবী।

মখাদা হন্থনা অমুক য়েংলুই। অঙম্বা চীংচেপ অদুগী মপা ইপাং থংবদা চীং অনিগী কারক্পা থোং অমা চেল্লী।

— "দাদাসে মেন্দা য়াম্মা হুন্ডাইবা মাল্লি দাদাগী মুংঙাইবদা নচলহোইস্ত য়াওবা য়াগদ্রা ?"

-"করিবুনো ?"

—"দাদানা খঙহৌদনা নোক্লকপগী রাফমবুনি।"

মুপীমচাদুগী রাহৈদুনা অমুক। হেন্না ময়েক ... হল্লি ঐগী মরূপ মঙাও থিবদুনা হায়খিবদে - "ভাই মুপীদি য়োংচাপানি" অমুকস্তু নোক্লিংলকই, অদুবু মপানথোক্পা খুম্মী, নোংমা মরূপ অমনা হায়খিবা রাহৈ অমা নিংশিংলুবদা নোক্লিংলক্লুনা নোকপইনিদা রাহৈ অসিনা থর শাফগদ্রা খল্লুবনি অদুবু তান্নদগা লায়না হোঙ্লিননা অমুকস্ত হংলকই -

—'করি হায়খিবগীনো দাদাগী মরূপতুনা ?"

উপাই লৈত্রবা লাম্মী অমগুম মাগাথগদৌরবদা কান্নরোই থন্দুনা শং লাওনা হায়দোকখি - "মুপ হায়বা জাৎসে অকিবগী মশকনি, মথোয়শিংসে য়োংচাবানি অসিনি।"

— "অদো দাদা অতোপ্পা খরতানি মথোয়না পুন্নমকপু চেস্থহনবনি নত্রনে ?

মখা শমথবা তল্লদুনা তেন্না পাউখুম পী— "উম, মদুস্ত চুমদবদি নত্তে।"

ঙাংনিংঙাই য়েংননিংঙাই অতৈ লৈত্রবা নত্রগা মখা তানা ঐগুম্না রা শমথবা তনবগীরা মহাকস্ত তুমিননা লৈখ্রে। ঐহাক

ইকচাং বাই থবদি শংজরবক্তম খল্লকই। চীংগী ভম্না ভম্নবা মরক্তুদা গোলাই শুনিংচিং লৈরিবা লম্বীচুদা বন্না য়াংনা থৌরি গাড়ি অদুম্না মমুংদা ফম্লিবা পেসেঞ্জর মযাম অদুগী মরক্তম্ভ অমগা অমগা ভনশিন্নচুন। ইমুং মহুংগী ললোনবদ শেল মাঙবগী। তোবগী ববী শান্নবগ্ন ময়াওই, থরা অ না সিটতা ভাচুনা উইবম্ভ যাওনে। এম্ম রাংমাগী ভপনা-ভপনা মহৌরবা চংয়াশিংছু থোংনাও ফাওনা যেংছুন মি না উবমথৈ যেংলি। ফম্ম ননরীব মাগী মাথবৈবোমদা ইন্না যেন্নুংবন মাদ করম্না মভম লেল্লী হায়বা ওংলুদে।

অম্মম্না মিনট ওব কান্নবগী মভুং। ফম্মীন্নবদুনা অমুক হায়বা ভোবক —

— দাদানী ভিবিদা কবি থবক লৈবগে?

— ইচম চম্না চংপনিদা

—দাদদী ইস্কাল কদারাইদগীনো?

-- শগোলমাংদগীনি, তেম্না খুম্মী।

মথা ভানা মিংনচিংবা কযা হুভখি ঐম্ম এগ অশেংবছু চাংছুন। খচহনখি।

লৌহোংনা অমুক হাপলুদবম্ভ ঐগী মিং মায়াম্না ইন্না থংবীবীবচুনি। ঐদি থোইদোকপা মুপী মচা মচুগী হিরম অতগী মরমদা হংনিংলুদে হংম্ভ হংযিদে। মসিদা ঐনা মুপামচাছুগী ফিভমবু য়োংচাবীগী মতৌহম চাংদমনচুনা হস্কনা য়েংলুবগী রাফমম্ভু নত্তে। মহাক মহাকী খাওদগী হদছে বিৱুৎ অমা

পুথোর কুনা হায়রকই "দাদা অসি চাসে" মাঙোন্দা হংগৎনা য়েংলুই। মা ঐগী মিং মপা চায়রুবনা মিকুপ খরদী মিৎচায়খি।

নিংশিংলি অতুগী ঐগী জিরিদা অহানবা ওইনা থুংলখিবদো। মতমতু মেকানিকেলগী ত্রেনিং লোয়রতুনা এক্সপ্রেস তাখী। এক্সপ্রেস কৌচ অদু লোইবগী মপা চায়না ইমায়বা অমনা শিন্দুনা জিরিদা স্পেসিয়েল মেকানিক অমা ওইনা চৎপা খে-চৎনি

মতমদো নিংথমথাগী ওইবনে চীং মথক্ত গাড়ি পমচব ওইরকপগী শেম্বগী অয়াম্বা মতম লৌখিতুনা জিরি পার্কিংদা কুমিদাংগী পুং ৮ মুক তারবা মতমদা থুংলখি। থেংলবতুদা ইমায়বনা ইরকপ এড্রেস অদু থিরুদ্রে। মনাক নকপা হোটেল অমদা কুমিৎতুংগী অজিংদি লেনবা তাখি

নোংঙালবগী হোটেল মপুতুদা রামদাস চটা। লাইরক ফবদি হোটেল মেনেজরতুনা মাবু মশক মুন্না খঙলম্মী। মহাক্না জগা পুন্নমক তাকপীরকখি। মেনেজরনা তাক্লকপা লম্বীতুদা চৎতুনা মনাক নকনা লৈবা মী অমদা অমুক হংলুবদা ইনক নক্না লৈরমখি। যুংতু পংচাও চাওদে অতুবু ইংনা চিন্না যুম পানবগী মমিদি তাই।

হায়রিবা যুমতুদা চংতুনা কোইয়েং য়েংলুই অতুবু কনা অমতম্ভু লৈবা উদে। ঐদি মীনোংগ ওইবতুনা করিনো হেকমক হংবম্ভু হংগোইহুনা কোদে। অম্মন্ন মপান্দা লেপলকপা মিনিৎ অহুমমুক্তি ফারমগনি। করিগুম্বা অমতগী শম্মিন কংত্রেবদা থোক্লসিন্না খল্লকই। অদুবু লাক্লবনিনা ডহাক্তি য়েংখিগে খন্দুন

মিকুপ থবা কৌখ্রে। অহুনু ঋবিংম্মা শমিন অমত্তা ফংজ্রবদা ঐহাক খোক্লগে হৌরদুনা খোক্লবা অমা লাক্লগনি খন্দুনা মাই লৈখোৎবরপদা মচাইনী গেটলোংদা লেংলোং অমা পাইদুনা মীয়াই চল্লবা অমা চংলকপগী উবরে। চক্কাংদা থব শাকবদুনা মত্তোন্দা ভম্না চংশিল্লি। নিপাংদু ঐবু উরগা হংঙক-হুঙক যেংদুনা লৈ। ঐনা হংই —

— মচিবু রাজদাগী নত্রা ?

— মাংলি বাবু, মখা উমংদদা নুংশিত্ধুনা মৈতৈলোন শোংবোই শেংদবোই হায়নকপগী মাবদা মান্নম হুংঙাই। ঐনা খুম্মী—

— অছোই মশাগা অমুক্রা উনরগে।

— বাবু মচাক্কি ভগি অমুক ভদ্রা গাড়ি তোংদুনা গৌহাতিদা চংগি, ভগি হুংনিংঙি হল্লক্লোকপগী হায়বনী। ঐহাক নিংবা কাইথি। কুনি হোঁগনি থল্লুরই, মহাক্কা ঐগী ইতোৎপদা হায়খকই—

নাক অমদাংদা মতুং উনবরদা য়াদবা ভইরবদি ঐখোয় থাদুগী মচন অমনি হোংগা উদ্ধনা য়াগনি।

— ফাংদা অছোই পেনপিন মাগা অমুক্রা উনজগে। খভত্তোদনা পুংদোকখিনা লাইরনি। নিপা অদুনা ঐবু কোংশল্লগা ফমফম ফাদা ফনহনখি। মহাক অদুনা, ঐনা মনহুগু লৈরমদে। নিপাদু খোকশ্রবদা ইথল্লা চাংদ চিকহোই

ফনা মকুইরে ঙাং চাইবক্লিগনি অহুবু কনামতম্না কহিদল্লা মরম হুনদগীনমক হৈনাক্লা চংলকখ্রে। ইথল্লা থুংঙাইতবা হঙ্গোইবা অমম্থু পোক-ফই মফম অছুংগী খোক্লগিবা হায়বা ফাওবা

থল্লকখি। তাঙ্গা অসিদা করিগুংগী মফম অসেদা পাল্লম্বনে, হায়বন্থু য়োই। থম্মোয়দা য়ুংবুন হন্না-হন্না চৈজে। হৌনা খংবা ঙম্মুংনি হায়দুনা, অদুবু ঐনা চৈবিবমখৈ মতুংগী কান্নবা অমত্তম্থু ফংলকপিদে। হেন্না হেন্নদম ইশা ইতোমদা শাগুনবগী মচাক ওক্তকই।

কয়াম কুইনা উংলুরবনো থগুদোদে হায়বকই—

- অদোম কনা উনবীগদবনো ?

নোঙ্থবস্বা ঐগী মায় লোংখংনা য়েংলুই পোকন্দু হন্না লেপলম্মী অঙোবা মুত্তি অমা। মুত্তিদু উকনদা থম্মুং মহৌশ গী ঐগা পাগুদনা য়াখলদু ওসি অমুক মপাল থোকখ্রি। অদুবসিদা ঐবু হেলোহ কাইদু ওক্করব্রা ? করম্বা মালগী হুদে ইনোঙি ঐগী মাংদা লেপলিবা ? ঐগা অমুক নিংথিবা মশাগ পামুনা খঙবা তুমিদংগী থাজ মানা অনুকসিদা থোক্লিবা ওইবিগদ্রা ?

ঐহাক মুত্তিদগী পাউথুম ফংইনা ভাইহাক নিংকম হোংদনা যেংলুবমানে ঐগ ইতৌদুনা চৈনদন নগা মহৌশ য় ইকাই থিগনবী মুপিগা ওইবগী হৌনশা ইকাহ থাংথিরা অমুক ফিজ গী মকাদা। অমুকম্থু হাপদুনা

—দাদাগা উংথিগদব্রা ? হুন্দকমুত্তি থুম্মী— নামদাস হায়রিবসিবু .....। অহোই মানি ঐনা দাদা হায়জখিবদুনি। ভাইহাক লেপলুবগা মথা হায়রকই, "অদোমলা ইম্ফালদগী মেকানিক অমা লাক্কনি হায়নহে ? নাইতদুদা গাড়িদ ওকচবনম্থু ঐগী অশেংবদু থডহল্লি— মাপ্পি চরাং পুংলবনি অদুবু খব থেংপিনা অদোমা চরাং অদুম থোরকপদি ওমখিদ্রে।

অচোৎপা এশম অহু তাগুয়েন মমনা কৈথোকপোই, নাক্তোকপোই তোঙুনা মায় মায় ওনশিল্লুহুন। মহাক ফমুহই, অহুগা থৌদাখি “সকি অংকন চাপ্লস অনিহক্ক সেল্লকউ।” মহুৎদগী খুমকখি – ফগানি হৌবেম। ঐহাক্তা অমুক ওনশিন্দুনা হায়বকই - অদোম চাইহাক চাইহল্লে বাবৌবা যাদে। সক্তি অংকননা কাল্লকপা মতমদদি ঐহাক বাঠ করবা লৈবি মবন অহুনা থুন থোবকনবগী তক্ষা লৈহবন অদোম্বু চাইহাক চাইহল্লবে

মহাক্কী পাউখুমদা নকুনা চা হাযি নত্নপী, অয়েংপা অমতম্ভ শীকদনা ঐহাক তুনিন্না সক্সি। চাদি এহাক থবনিংখিদে, হুক্তিক্তা হোটেলদা থক্কপদা নপোইরিবনি অহু নবম চাইবাপী তেন্দা পাল্লবনো ইহাক অহেংশম্ভ পিনিংলুদে।

চাইহাক অমুম তুনিন্না লৈনকপদা মহাক্কা মগা তারকই- অদোম ঙবাংলাকনি হায়হুদা দাদাদি মুনিং চুম্না অনা চাইরম্বনি অহু অ.দান এ দাতন লাদাদে। গৌহাতিদা চত্তা য়াদবা অনদগী ফুচিক অহক্কী গাড়ি তোৎহুনা চৎ বনি। অহুম ওইনমক অদোমগী রাকম পুম্নমক ঐহাক্তা শিন্নবম্মী।

ঐনা হায় “য়ান্না হু চাইজরে।”

তাক্সা অহুদা অহানবা ঐনা যুমদিদা চংলকপদা থেংনখিবা অহল অহু চা পুহনা থোবকই অহুগা হায়বম্মী– “চা সোনদা লৈরাবে।” মহাক্না ঐহোদ অনিগী মরক্তা থৎহুনা লৈবিবা টেবলদুনা থম্মগা চ-থ্রে। ঐহাক থওইনা য়েংলুদে। হংদকই- কাবিহক্ষ বখল অমনা পুক্কিং হকচাং অনিমক ইত্তাওতাওবি।

মঙোন্দস্থ হঙ্গৎনা যেঙুদে। হায়রকই— "চা অসি পাইবীয়ু।" ঐশাক 'মৈংডিং মাংদিংনদুনা থওহৌদনা যেংথোকলুই। মীৎ মবি মীৎচাগখি। অচোৎপা শন্নাং লেংজুম অনিমক্তা জ্বাই-জ্বাঙ ভাবি ঈ থাংনা চেৎবা মাসাংথাং, তরাওবা চিংসনা অনি, পীক্রক চৌবা চিনবান্দা মোমোন নোকপত্নগী নথক্তা পকচনা শেৎলিবা অঙৌবা শাড়িনা কযাদা নিংসিঙ্গরদে? চিংকুপ অমা কুপপগী মতম মাঙহনবা পাম্মূজখি

ঐগী মিৎয়েংদো মঙাংলা নৈনা তং থাংশ্রবা নুহুপ পুমিংগী হেনদবা লৈরবা? চেকফম শুদনগী মতৌ উৎতুনা চা অদু অমুক টেবলদা থমদুনা চোংহখি যমফমদগী মতৌ তদুনা হাগী পূরিং ইথত্তা ইকাইরবা মাংতুরখি। সঙাবপু মচুক পাংদা পা আপানলি চংরে। বদনা থেংনলিবা নিং বোক্স অদুদা খিঙ্গ অমা নমল্লুরে। কিকুপ অমা কাওবা কান্নদনা তুমিন্না লৈজরম্ব সিলিং ফেন্দু মথৌ ওইবা হৌবক্রে লিকুপ অদুদদি এহাক চঙকনৈ। ইংথমথাগী ইংগ্রবা ডিসেম্বর থাদস্থ কবিগীদমক যেন থাখিবা। ঐনা ইংলিশা অনিমঙেংসিং য়েন্ন হৈতনগ্ররবা? নুমিৎ ঐগী মিংয়েলগী থেবেংকনবা তোংওবদা মুংশিংহুদা ওইনমক ওইবিংদ্রু? ইথম্লা খাঙ্গক্লুমনা ফমগ [illegible] খুদনা অঙ্কনি থডুক [illegible] করিগীদমক পাক চাওব ঐনা মব থওনি সিবা?

অমুক চম্মকুনা হাগগী ফমফমদা যমথলকই অদুগা হাঙরকই অদোংনগীদমক থংনবা কা অমসি পৌবাং পুম্নমক তৌদুনা লৈরবনি ওাইহাক তুমিননা লৈনক্লরব মতুংদা অমুক হায়রকই— অদো।

মোংমা নিনিংদি পোথাবিথিবা তারি দাদ। লাকত্রিফাওবদি অদোম থবক পাইরমগনু তায়বম্মী। ঐনা শন্ন। — অকাইবা করিসু নৈতেদা।

—অদোমগী ইচিন ইনাওদি কয়ানো? হন্দক্তি নোকফেৎ কৌবক্লই মতুনা অমুক্তা হেন্না থম্মোয় থোইবাংননবগী মচাক অংমক অংনকই। ঐসু খজিক হেক্রতুনা পাউখুম পী—"মরিত্তনি মতুগী মতুম ঐনা ইকোন তোনবা ওইবি।"

—অকোনবা মীসে নান্নদি কেগল্লি হংযনৈ? নোকপগী চাং হেলি "মহাকি শবথক্তগী রানিদা।"

- ভুনিদগী দি নৈমিন্নখোঁবনিন হাওব-হাওতদা করা অতুমক পানিমলা লমে নিংথিবা মাংথোংতুদা ইমন চংজবা মতৌতুনা নিংথিজবগা মত্রিক ফজবগী ফিদমনফমগী হৌন অমসু ওইহল্লম্রি মাংবোন্দদি

— ওদি পুন্নমক্তী চৌনশানি। মতুদা ঐগ থোইদোকপা খঙ্গিননিংঙাই ওইদে। ঐগী রাহৈ অসিসু ইচম চম্না অতুক মংনকবনি অতুবু মহেংন্দনি পুক নুংগী নাথং ওইনা শনগ্রবরা? শকফম নফিক হন্দিল্লি

— ফাওর অনোন রাব নংনগনি ভুইহনক পেংখংগে নিংহিবসু অদোমগী কানা চানগু। নাহৈ অসি কোইবকপগী মপা চান্নবা মহাক চৌগংগম্র। অদুনা ঐগী ত্রিক কেসতু পাইখংতুনা ঐগী ফানি হাংনবা অদোমদা থোডকাপ অমা-অনি থাংবদা মঙাইরি। মানী ফিভম অতু ঐনা খঙলতুনা হায় 'য়ানি ঐহাক অতুম

পুশিঞ্জবা য়াগনি।" ঐগী ৱাহৈহ্ন মহাক তাব্রা তাদব্রা খণ্ডদ, অহ্নমক হন্না য়েংলমদনা চংখ্রে। ঐহাক ওন্না য়েংহ্ননা লৈহৌই।

অস্নুমা মতম খরা হৌখ্রবদা মহাক অমুক কারোমদগী থোরকই। অহুগা হায়বকই—"ভাইহাক্কুং ওইরবস্নু পোথাবীয়ু হোটেলদদি তুমফম চাফমস্নু খণ্ডলম্লোই। ঐহাক চাননবা খরা শেম-শাকখিগে।" অসি হায়বমহুনা অমবোমদা অমুক চঙখ্রে। তৌফম ইখণ্ড-খণ্ডদনা তুমিন্না ফমহুনা লৈহৌরি।

অহুমশুবা শরুক

মতমগী অরেপ্পা লৈকবা খোংচংপু কনানা থিংবা ঙমলুদে। অশুম্বা পুংশিং কয়া হৌখি, অযুক্কী মমিদাং, মমিদাংদগী অযুক অশুম্বা মমিং মরিনি হৌখ্রে। অদুবু অরাবদি রামদাস থুংলদ্রি।

ঐহাক তৌফম খঙদে। তৌদিক ঐনা তৌগদবা উপাই অসিবু কবিনো? মফম অসিদা ঐনা ভাংনিংব, হংনিংবা ইনিং ভম্বগী অদিকার পীববস্থ মতু ঐগী পুক্নিং লৈত্তাদবা থৌনা অসিনা ঐগী পঙ্গল পুম্নমক ফাজিনবীখি। ফাজিনখিবা পুক্নিংনা শোন্থবক্লবদা পুক্নিংসি মশুন-মশুন হল্লকই। "ঐবু মফম অসি থাদোক্লুনা রামদাস লাক্লিফাওবা ঐনা হান্না থুংলখিবা তোপটেন্থুদা নোংমা নিনিসিদী লৈরুবসিবা নত্রগা······?" ওইথোক্তুনা থন্নুবতনি থবক ওইনা পাঙথোক্লবগী পোৎনাদি ঐগী ইফমদা কদায়? তুংদসু তেন মাঙদসু লাং তায়বত্থু ঐগী ইফমদা থোক্লরে। মসিদা ঐগী মীওমদবা ইতৌহু উংথোক্লি। কনাদনো ঐনা অসিগুম্বা ফিভম অসি উৎলিবা, নত্রে কনামতগী নমাঙদা উৎথোকলুদে, পুক্নিংনা ইশাদা উৎথোকচখিবতনি।

হৈনিংবা পোকত্রবা হয়চা সে ভাইহাক উইমিবা থল্লা। তন্না পূল ঘড়ি খা গংলাই। শুংথিলগী পু অনিতমক তাবদা ওয়ন চিপফম কাদা চংলনা লোংনা হিপথৈ। হিপথৈ হ যন্তনি লৈ উইশিন্দুনা তুংথনাদ হন্দ্রে। মহৌশ দগী শুংথিল তুম্বা হৈনবগুলনা ভহম্বম্ম যাই অতুবু ঐগী রাখলবু উভাও তাগুরি অশান মালদা। পুরিংদগী ওন-মওন থম্ফুক মথাদিদবা নাতু কাইনথদা লাপনা থমংবা গুগী বাফংস্ম অদুক নীঙ্গল্লে। মবিমদা নাইব বাথলিশিংগী অদুবু চিপাইদা নুমগী অচংবা থখল ওইবাল্ল।

—ঐবু মুমদ চিঠী অমত্তা ইমিন্নু, খন্নগ থবোকমিন্নু উচক চংশ্রবা থখন অমসুং চমনা হংদু মক উইহাল্ল ভাউবপনি ঐগী অখন লেতবা রাখলাই।

– ফরে মুমদা চিঠী অমত্তাদি ইরগে। অরোইবা ওইনা লৈচনী পুথোক্লনা চপ চাব ফিবেপ অসি লেপখিবাল থিবেপ অসিনা চচুক ওইখ্রবদা লেবলদগা চে কলম লাম্বদ মখাইদ্রী—‘ভসি ল্লামিদাংরাইবন দাদা থুংলমনি হায়না চেটিরে নব চুহল্লকই।”

খোঙ্গেনদুনা ঐবু কনাদা মীপাইহল্লবনে মতিং পাইনব, কীকবগী বাফম নাও চিঙ্গম্ব কাদুদ ইংম। বখলনা নিল-খোংলম্বা মাঙ্কুপ হথই থডহৌদনা নিং লগ রাখলবু থুগাইবকপদুদনি।

খোঙ্গেনদুনা থঙহল্লদ ঐগী রাখলবু মাখিং ওইদুনা নিংজিং-মাংজিং খোঙক্রিন্দা মিংযেং থমলুই। লোপলম্ব মহাক্তো,

মহাক হায়রদি......, অঙৌবা ফিজোলগী মুর্ত্তি। ফিজোল অসিমক পামজনা শেংলিব্রা? নত্রগা কনাগী করিগদমক? হংলিবনা কনা? থুমগদৌরিবা মহাক্না কনা? ঐনা করিগা মাবু পামজনা যেংনিংঙৌবা? মীকুপ কাংদনা মোমোম্লবা মীনোক, নোকপদা লোয়নবা তরাঙবী মিংসনানা, মিং থম্না ফজবী লম লাম্না মিংক্রম হেংংনা হৌদ্রনা ঐগী অরংনবা রাম্লগী হাঙ্গা, অসিগী মথক্তা হুমাং অনপ্পাম্ব হকাংগী কাচিন-কোয়া শিন-থুংনা চেন্থরক্লি। মহুম অসিদা অঙৌবা মুত্তিদমক ঐগী মাঙদা লেপ্লরা? টনা-টনা মিংমাংদগী মুত্তিছুমক মাঙথ্রবোই নিংঙই। মহাক্তু উদবমক্তি নত্তে, অঙংনা মুঙনা শারা চিত্রকারগী থুংহৈবনা অ-না নিংথিনা শাবদা মনেনক ওইবরোই নিংলুবগ, রাকমনি হংঙ্গা অসিদদি অহানবগী ঐগী মীপাইবা কিরুদা পুম্নমক্কী রাথলদি যাম্না লাপ্লর থমখ্রে।

চন্নু থংহল্লম্বা রাহৈছু রাথলসিদা লংখ্রবদা ঐগী কোকথক্তগী যাম্না অকুম্বা পোংশক অমা থাংথথিনবম্না ইশাসি ইযাং য়াংবঙুম লৌই। মসিগা লোয়নবা অম্না অইনা হাইরেং লোক্তগা পাউরুম অইনা হায় কবম্বা মহুমদা দাদাগী টেলিফোন লাক্লম্লিবনো? ঐগা রাহংগী পাউথুম থোক্লা উনা লাদম্নম ইনাক্তা থাবিবা পৌত্রিক্কদা ইকোই হেক কোউদনা যহৌব। মহাকনা ইনাক নক্লা ফম্লবনা মতমচুদা ভসাই মথৈগা মাম্লদন নীঙ্ন অমা থাম্মোহসিদা হুপ্লক্লে। লোইবক্কী হুমাং থুংনা পাইকত্রবম্ব থডাংল হান্নগ চাংদগী শরদি হেনগংবলে। অহুম কপু হান্নগ মচি অহুদগী শম্না অমা

ফাওবা হন্দোক্লা যম্বস্ম চেম্প্রে। মহাক্লা মথা ক্ষাবাই —

—হুজিক্কদা লাকপনি লম্বীদগী তৌরবপা ওইরম্লে।

—ঐগী মবমদা কবিমত্তা হাযখিদ্রববা ?

- ঐহাক অদোমগী ই-পাউ তমক্তম্ম পীবা নংহৌদ্রে।

ঙাইহাক হাযফেং হন্নবগা মহাক্কী মীনোক্ত হন্নবা চৈতনা ইযাং-যাংনা থুম্লকখিবা পাউথুমনি। অমবোমদা মহাক্কী পাউথুমছু ঐঙোন্দা অপেনবা ওইবমদে। নিংবা কাইনা ঐ নায অনি লুকথজে। ঐগী ইত্তৌহনা মহাক্লা—

—অদোম নিঙনা কাংবীবরা ?

—কবিম্ম বাহন্দনা ঐদা কবিম্ম তৌদনা, শান্দা চেনা থুম্মী।

—নিপা ওইরগা নিংগি অদুক মীওম্বা ঙাঙলিব্রা ?

—ঙক্লা "ঐবু কবম্বা ... ক্তমদা মীওম্বা লাইবা হ...রো ?

—হুজিক থক্কদা ঢাঙখিবম্লাদা।

ঐহাক ওশেংনা চ...নখি। ঐগী অশোংবা কবি ঠৈজ্রবগে হায়বগী অশোযব্বা নিং... অদুব অল্লাংনি, মচিং চপ-... লংলা-লংঙিন অমওম্ম ... ফংখিদ্রে। অদুবু ... ক্লা হেক্লা ঙক্লিবদি মহাক নোক্লি। কল্লিগীদমক্লো, করিদা নোক্লিংলিনা ? নত্রগা ঐবু অঙাং মচাগী মতৌহৌম অপংবা শীঠুনা লক্লিদ্রা ? মসিদা ... থম্মোা ... কুয ... ঙাইডবা পোকহল্লিবনো ? ঐবু জাতি তোঙাল্লি হাংদনা উশিং শওইদনা তৌরিব্রা ? মসিদা ... ঐনা থনখিবা রাথল ভাং-জংকী মঙং-মনিন চুমংবা রাথল

পাম্বাশিংনি। অতুনু ঐগী চিংনবসিদি থরা কোক্লবা নোংশিন্নবুনা হুংই —

— ঐগী কবম্বা অশে য়বা য়াওগ্রবগে? ঐগী পাউখুম পাক হেক অমুকস্থু ফংদ্রে। পাউখুম পবগী মচুংতা নোকপগী চাং অমুক হেনগৎলক্লে। উপাই লৈত্রবা ঐ করি ত্তৌগনি। খবা শাকগদ্রা তম্বুবগা তেঙ্গ লেন্না অবাবা পিনবগুম থোক্লবে। মবম লৈত্তবা মোকল্লবা ঐগী মীনোক অরেম্বা তাগ্রে। কবিস্থ লৈত্রবা মুগা মচা অসিনা ঐব ওযাশা লাকচথ্রবনো হায়বগী য়াখলদা ইন্না অদি শাওনিংবনা লোইরবে। মওইনা হায়বদি কবিস্থ লৈতবা রাইজ ওইরবস্থু থম্মোয় ঠৌনা শোবল্লুবা থোক্লরবদি হেবতনক শাওনিংই হোয় কনাগম্বা পুকচেল চাইবা মী অমগা ওইববাদি কবিস্থ থৌশাদবা ওম্লম্বা যাই। অতুবু পুকচেল পিকবা হাযবতুগী কাংলুপতা চম্লুবাম্লে ইদি থক-ফতবা খনবগী চাং অতু ওবা বাংলে।

মঙোন্দা নোংগ্নিংবগী মা লোইখ্রংলগ্নে নেমথরগা তেপনা হায়বকই— "অদে মা লাম্ন নেমীরে, ঐনা হাযজবদি অমাংগী মবম দাদাদা তেতনবিদে হাযখিবা ঐগী পাউখুমদা অদোম কুশাংনা নিংলা কাইদি। অতনু কবিস্থ তৌদবগুম্মা ঐঙোন্দনা নীনম্বা ভাংনীখি" পওশ্বুমতুদা ঐহাক দিনবা যাদনা নোক্লিংলক্লে। নোক্লিংবগী মরক্তুদা থম্মোয়মুংদা ইকায়বগী ইতনম্থু ফাওজিল্লকখি। ঐগী পেন্না লোকপাতু উরগ মহাবগু অমুক নোক্লকই। অসিকন কা অতু ঐশোয় অনিগী মীনোক পূকনিন নিল্লবে। হন্থরক্লপা ঐনা হায়খি।

--ঐহাক মতুগী রাখন্দবুদি ইথন শল্লদ্রে।

-'লানববুদি ঐ।। লাল্লীবনি।" ইযাং হাংনা হায়রকপনি।

--ঐনা ঙক্লা "করম্লনো...... করিগীনো ?"

--অদোমদা মী নম্বগীদমক।

--ববম্লা মীনম্লিনা ?

--অদোমগী রাযম থুদিংমক দাদানা পনহনবি ঐহাক জ্ঞান খংহ। [illegible]। তৌবিমন খঙবা [illegible] [illegible]না -"যাম্লা শুংঙাইজবে।"

--[illegible] অদোমদি ব য়াম্লা ঙাংহনে। [illegible] মীসে ঐনি লোযনবা খরদুক [illegible] রাংলি।

--মতুদি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নত্তবদা ঐনা ঙা[illegible]বা তাবগা ঙানিংদে হ[illegible] [illegible] [illegible] মতম্তুদা ঐ [illegible]না ইকায়গদবা মাল্লি

--কবিহন্বা মতমদম্লু ফাগিগম্লু তৌকপ মাল্লি। নখোয় মীতৈনা হেক-হেক হায়নবা "থাজদবা মযমন কৈজে" হায়বত্তু চুম্বোই নিংই। ইঙা থাজনবা অমিহন্বা নীতৈ [illegible] [illegible] চুম্লা হাযবকপদা চক্তবা ঙমদিদে। অতুগী [illegible] [illegible] মতৌত্তুন শেম্লা অমুক্কা [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] অমা ফাওন [illegible] [illegible]। চত্তুনিং [illegible] [illegible] [illegible]-

-অতুবু কৌকথক্কী অকন্বা পোৎলুম [illegible] [illegible] [illegible]।

--মতুমদি নঙোন্দা কনানা হায়নক্লিবনো ? ইন্দকমুক্তি শৎ লাওনা পাউথুম ওইনা রাহংনিনা মতুং শিন্দুনা হ[illegible]নি। ঐনা

ৱাহংজু তারগা মাগী চৈনজবী মীনোক্কু নোল্লবে মীনোক্কু উরুবদা ইথক্তা ইকায়জবা অমা ফাওজে। 'হুৱানবগী নকোক্তা নাপী পক্লে" হায়রকহুনি। খন্থকদনা থুমদোক্লিনা এগী ৱাহৈদু হুজিক-থক্কদা বয়াদা নিংঙম্ত্রিবনো? ইশাদা কয়াদা অপংবা শীবরীবা।

অমরেমদনা ঐগী পুক্নিংগী ৱাহৈবু হোত্রোং হোনা উবগুম্না অতগুম্বা ৱাহৈবু হেক্তা হায়বা ঙম্বগী কবম্বা থোনা নত্রগা কয়ম্বা হল্লে? মীওইবা অমগী পুক্নিংগী ৱাফমবু মীওইবা কনানা থুবা ও গদোনীবনো, হুপহুগী ঈশ্বর নত্তনা। মহাক অসি কনানো? কবিগা নো মানা ঐগী পুক্নিংগী অৱাবা মুংঙাইবা মুং-পান অনিবু হোত্রেং-হোনা উরিবা? নত্ত্রে মহাক অসিদু লমদমসিগী মনা ভাইপেন্নাগী শাইথল্লা?

- অলোহসে হুদোংবা অচুম্বা অমনি।

বাইতমিনা হুম্না চংখ্রে। মহৌশানগা রা ঙাংনবা, য়েংনবা চৈজরক্তনা অমা ওইবকপগা ঐহাক মতম পুম্নমক্তা মহাক্কী মফমদা মাথংগী, মাদুগী মরক্তিগী হায়রম্ব খল্লি। তুজিকমকপ্তু ঐহাক মাগী মফাম মায়াশিবি। মাহাথিবনা ঐগী উপাই হায়রবু ৱাংদু নাকোইনা অতোপ্পদা অমুক পুশিল্লকপা হায়বা লম্বী অসি নত্তনা অতৈ অতোপ্পা চৈন্থে। ঐনা হায়—

—দাদানদি ঐগী মরমদা করিগুম্বা হবদি হায়রকইনা

—উম হায়রকই......, তরাওনা কোংদোকই, অহুগা থবক তৌবগী মতাংদদি চংলগা থেংনরগা পুম্নমক শীল্লগা হায়রকই। অদো পুক্নিংগী মুংনাংব লায়নাহুমদি কোক্লেদন

—হোয় মহুদা অহুম ওইহল্লসি।

ঐখোয় অনি পুম্না নোকমিন্নে। মহাকস্তু থরাই তানা নোকচৈ মহাক্না পেন্না নোকচবা উরগা ঐগী থম্মোয় পেনখিবগুম তৌখি। মসিদা মহাক ঐগী করি মরিনো? কনিগীদমক মান্না থরাই তানা নোকচবা উরগা ঐঙোন্দা অপেনবা ওইরিবা? মহাকসিবু ঐগী কনানো? ঐনা মাগী……? করিগী মীকুপ থরসিদা ঐখোয় অনি কয়াদা নক্লবিবনো?

নোকমিন্নরুবদগী হন্থরক্লনদা করিগুম্বা অমতা হন্থন নংহৌদনা হায়দোকখি— অদো ঐহাক করিগুম্বা রাকম অমতংদি হংনিংই।

—হেক্তা হংবিবা য়াদত্রা? ইচম চম্না হায়দে রবখি মাদি।

অহুবু অরাবনি ঐনা হংনিংবা রাহংদি পাক চক হংবা ওমদ্রে। হান্ননা রামাং যাল্লুদ্রবস্তু হংনিংবা রাহংদি চক রা য়াবস্বনি অহুবু তান ইচা চাখিদ্রবা ঐগা নোকচবা ইচৌনা কয়াদা রাই চিলহল্লিগনো? রামাং য়াল্লুরবা ঐগী হংনিংবা রাহং চিনবান য়োনা কাংথোকপা ওমখিদ্রে। অহুবু মাদি মাগী হেজবা থাদোকপা লৈত্তনা তকশিল্লখি।

-“করিনো তুমিন্না লৈথোক্লিবদি?

হন্দকমুকপু হদ্মতাই। ঐগী করি উপাই লৈ। করিগুম্বা ঐনা হংখিদ্রবা নত্রগা তুমিন্না লৈথে কাখিবা তানবদি মহাক্না ঐবু করি থনখিগনি। ফবে অমা হেক্তদি শেমজিন-শাজিন্দুনা থোকঅবা। অমা হেক্তা হায়রগে। থল্লকপগা শং লাওনা হায়দোকখি—

—অদোমগী মিং... ?

—সুনিতা...। ঐগী রাহংগী মরক থৎনা থুনা-য়াংনা থুম্লকখি ।

তশেংবদি ঐদি মসি হংগে খল্লবা নত্তে। ঐনা খঙনিংবদি থম্মোয়দা লোংতুনা লৈরি। ঐনা মখা তানা হংই—

- বামদাস দাদাগা নহাক্না পোকমিন্নবনিদনা ?

— উম ! তেন্না থুম্লকখি।

—অতৈ অতোপ্পদি লৈত্রেদনা ?

ইশক্তা ইচে অমদি লৈ, অদুবু কলকাতাদ য়ুম পান্দ্রে।

- অদুগা .. ইমা বাবাদি .. ?

—লৈখিদ্রে পাউথুম অসিদগী শকফম হঙ্গিল্লি। হান্নগা মাল্লদবা শুব অমা থোক্লকই। মখ তানা ঐহাক অমুক হংথদ্রে।

মফমসি িকুপ খরদি পুনচিক চিকই। মহাকসু রাহৈ মখা তানা ঙাংলকখিদ্রে, ঐসু অদুমঙাই। অসুন্না তুমিন্না লৈবা অসি হৈনবকিদে। িকুপতুনদি ঐনা বন্না হোৎনদুনা রাহৈ মপুং অমদি শাগৎচরে অদুগা হায়—

- অলোমদি তশেংনমক মীতৈলোন শেংনা ঙাংই। লোনদা ৎওনা শকফমদুনা হেন্না মীতৈ চনুবানি হায়দবা অটবা কনানা ৎমগনি। মাযথোং খব ঙাম্মোকপওং থোকি। মাগী হৈনবী মীনে কু অমক লোযনদুনা হায়রকই—

—অশেংবগী মানহ্রাং ? অদোমদি ঐবু অহানবা উবদা কারি মানখিবগে ?

—ঐদি তশেংনা মীতৈ চন্নুরা মাল্লি, অদোগবু অহানবা উবমক্তদা ঐহাক ঙক্তবস্মু ঙমখিদে।

—নোকফেং চৌনা "হান্নগী অচুমনা থঙদবস্মু নত্রবনিদা অদোম হায়বা ব্যবহার অচু কৌহন্নিংদ্রে হজিক্তি [illegible] শঙনাবনিনা মিং কৌনীবা য়ারে।

মহাক্কী পাওথুম ওইনা ঐহাক নোকখি। ঙক নোমচুনা য়ানিংবা উংনি। হান্নস্মু পনখ্রে, শক্কী অরাংপা নৈত্রবী [illegible]। অমগা থোইদোক্না বাবী-রাতাগী শান্ননিংলোইদনা [illegible] যাওবগে যৌবনগী পুন্সিদা। সংসারগী অরা [illegible] নবক-শিংলক্তা লাই নিংচুনা পুন্সি লেনব্রবা [illegible] তোঙানবা অমনি। তাইবংগী জিব খুদিংমক অহাওবা চানিং[illegible] ফজবা শেংনিংদবা, অহেনববু কল্লক্তবা কনাবু নৈবগে [illegible] মসিদা কনাগীস্মু দোষ নৈতে। মসিদি মহৌশাগী খুংগে [illegible] লোইনজরক্রবা মীওইবগী নত্রগা জিবশিংগী খুদোলপোং অমনি। ঐস্মু অচুমডাই খুদোলচুনা লমজিং ওইচনা পোৎলোন্না স্নমিত্তাগা ফমমিন্নচুনা অসিগুম্না নক্রবসি অহানবদা হাক্তাইবা কেংইবস্বা বযা পোক্লম্নদস্মু হজিক্তি ইনাক্তগা মীকুপ অমা ফাওবা [illegible]থাকহন্নি [illegible] যোগীবাসনা চিত্রলেখাগী মফমদা মাযথিখিংহুম ঐস্মু স্মনিতাগী মফমদা মায়থিগত্রা হায়বচুদি ঐহাক খঙজ্রি।

মহাক্না ইনাক্তা নক্না ফমলবচুদদি ঐগীস্মু ঙাংনিংবগী, শক্লিংবগী ঈথক-ঈপোম অমা হৌরকখি। কনিংহু হস্তুনগী তাপ্পা ইপি-পিরমদনা হংলুই— "স্মনিতা নঙগী পামচনা শেংলিবা

অঙৌবা ফিজোলছুন নওবু কয়াদা নিংঙিঙহল্লিবনো? হৃন্দকমুক্তি শকফম ংহন হনজিল্লি। মতমমতুদদি ঐন' ংল্লী মাগী অঙৌবা শারিদু মাগী পাংজব' শাবিনি হায়ন।। অদুবু ঐগী ৱাহৈছনা মাবু করেম্নবা ওইনা থোকহনখি। মহাক্না ঐবু ৱারৌরমগন্দ্রা? তশেংনা ঐদি মহুগী অর্থ খঙথিদনন হায়দোকখিবা ৱাহৈনি। কবিংম্বা মহাক্ন অংৌবা ফিজোলদু মেৎলন-ইল্লমন্দ্রবদি ঐগী থম্মোয়সিদা মাবু লা চবমদবসু য়াই অংৌবা ফীজোলদুগীদমক ঐগী থম্মোয়দা ওসিদি লোন্না কপ-রি থম্মোয়সিদা মুংবাংবসু ফাওরক্লি।

অমক্কসু ংল্লুংদনা মথা তান' হায়দোকখি—

—হায়বসু হাংবনি, ঐনা মফংসিদা লৈরক্লিবসে ওসিগা মুনিং মরিনিদি শুবয়গনি, অদুবু অংতোম্বা মচুগী শাবি শেংথিবা উখিদ্রি। অঙৌবা ংচুন' নওগী খ্বাইদগী পামজবা মচু ওইরমগনিদনা। ংচুংনসু নঙোন্দা ক্রেম্না পকচৈ।

ঐগী অপনবা লৈতনা ংবিংরি হায়দোকখিবা ৱাহৈ শারেংতুনা মহাক হেম্না চমমনবা পোকহনখি। ঐহাক মহুসু থোইদোক্না থম্বকবা ঙংলুদে। মহাক্কী উপাই লৈদ্রবা মতৌদু উৎলম্বা তৌদনা হান্নগী মতৌগুম হায়রকই।

উম ংচু অসিংা ঐগী খ্বাইদগী অপাম্বনি ংচু অসিনসু ঐগী পুন্সিগী কোল্লংগদোবনি। ংসি হায়রগা ঐঙোন্দা তম্না য়েংলকখি। ৱাহৈদু অদুক্কী মতিক অর্থ লৈ। মপাম্ন্থোংদা পী তাবা ওমখিদ্রবসু মথম্মোয়দা ঐবু ৱাবৌনা বপখিরম্বসু য়াই।

অহুবু মীকুপ তুদদি অসিংহন্ন। নিংঙমদবা পেন্দবা অসি ঐঙোন্দা চংখিদে।

মতমহুদা অদৌবা শারিহুগী অশেংবা চপ চাবা অর্থ খঙলম্লবদি ঙাংনিংই হায়দুনস্থ কৈদৌম্নংদস্থ হায়রম্লোইদবনি। মা ঐগী নক্লরকপা মিকুপ ওইখিবনা কবিস্থ থম্মকবা তৌদনা শাম্লখিবা ল্লারিশিংহুগী মথেল অমা ওইনা শেমখিবা থক্কনি। মতমহুদা মহাক (স্থনিতা) দি ঐবু কবি হায়না খল্লমগ্নি থল্লবদা, খঙলকপা মিকুপ নোংমা-নিনিদি থেংনদনবা হোংনবদা ল্লাখিবস্থ যাওখিদবা নত্তে

তাঞ্জা অহুনা মপাল্লোমদা মী লাওবগী মথোল অমা তাবখি। ঐদা নত্ত স্থনিতাস্থ খোঞ্জেলহুদা না থাক্লংহুনা তাই। মিকুপ অমগী মতুংদা স্থনিতা মপাল্লোমদা পবপ-পবপ থোকখি। ঐহাক ল্লান অমত তাদনা ফম্মুংদগী ফিভম অমতা কাহদনা লৈহৌবি। স্থরি না কবি থোক্লগবা হায়হুনা খঙ্গনখৌবি

লৈয়েং ফাইবন খোঞ্জেল অমনা লাঙনদি ঙাংনবিবা পুম্লমকপু নমহৎহুনা লাইখৌ খোঞ্জেলহু জাংবগী চাং হম্বনগা মহুত্তা হেম্ল-হেম্লা হেনগংলগা থঙ্গনা তৌব। ঙাংনবিবা লাইহেশি ফু ঐহাক ববিনো খঙলুদ্রবস্থ যাম্ল শাওনবগী ল্লাঙাংনি হায়নসিনদি থরথক্তি খঙবা ঙম্মী। অহুগা লৈয়েং ফাইরবা খোঙ্গোঙা ভাব। হায়না ল্লাহে অমা তক্তনা পল্লি।

ঙাংনবিবা থুদিংমক টেনসন ল্লাংথবনল্লকপগুম তৌন বম্ল-কম্লা ঙাংনরক্লে। তাঞ্জা অহুদদি ঐহাক মীপাইবা হেনগংলক্লে যম্লস্থদগী

হৌগৎতুনা তন্না থোক্তনাওরোমদা চংশিল্লি। উরে তৌনরিবতু সক্তি অংকলগা শকথঙদবা নিপা অমগা কন্না ইন্নরি। সুনিতাসু মরক মরক্তা সক্তিগী মাতং পাংবোই মীচং ওইবোক করি করিনো য়ান্না ঙাংলি। নিপাতুনা ভাবী হায়না কৌরিবতু সুনিতাদানি। মথুং—ও মশা—ও, তৌতুনা মুত্তি চুন্না লেপ্পা ঙমদ্রবা নিপাতুনা য়ান্না শাওনা ঙাংলক—শক্লকই। ঙাংনরিবা পুন্নমক ইরোনগা তিন্নদবনা তারবসু তাদবগুম্বনি করিগুম্বা ঙাংনরিবা লোনতুম্ন থঙলম্বা ওইরম্লবদি শাওনরিবতুগী মথম খজিক্তা ওইরবসু থঙলম্বদি য়াবনি।

হুনিং কয়ানি হৌরে নোংমা হংগে থম্লি অহুবু ঐগী থৌন মিকুপ অমদা মাঙখি। কবম্মু থৌনা লেন চায়্না তেকা অতম্বুনা হানবা য়াত্রা? ঐহাক মাগী কনানা? ঐগী থম্মোয়-সিদ পাউখুম পীনিংই "হাক নই অমমগী মঙ্গানি" হায়না অসিন ঐ য়ায অনি অমুক্ক মতিক লৌনিন্নু। অহুবু কদায চংলসিনা থোকললুনা চেংনবন্মু পৌনাওদা কনাহঙ্বা মীশক ১না চায়র মাংলাই হায়দুনা হায়রক্‌ বম্না চংগা লেংনিনলকই মসিমক ঐ থৌনা যোংহল্লিং থানা শোক্কাও লোনশিনবীরি।

অসুমমকসিনা ঐগী থম্মোয়গী ওংহন্নক লিংলে। নোংমদি মতুগী মিকুপ অমা শাযদা ঐগীদমক লাকখিগনি। মতমজুফাও, মিকুপতুফাদা চংদুনা হবা লোয়বগ্রা? হাইখিবা তাবনি মচু নত্তনদি ঐগী কনি উপায লৌহুন —

নি শিংলি নোংমনি মিকুপ অমুক্ক ঐ দাক মংং চ মে হায়না থগৎখি মিকুপতুদগীস্মু হোৎখি মানা ঐডোন্দা দদা হায়না কৌরককখিবহু।

নৈংগয অমি টিংভিং য়েংমিন্নরি। অহানবনবুদি রামদাসন্থ য়াওবস্ব নি কহিহস্ব থবক অমগী চথোকখ্রে। ঐখোয় অনিদা ঙাইহৌরে।

দদা নহাক বনিংস্বদস্থু যুমদা চংনিংবা ফাংবক্রে ?

— কবিগীনো নঙনা মতু হংলিবরু ?

মতনহুদগী হৌন ঐগা কোইগনবা মতৌ থাদোক্লে। উম্ব অমগী মতৌগুম লে থাদোকস্থ ফাগী তৌনৈ মচুদদি হৈওহ-নবস্থ থাদোররক্লবা মতমদি নহাক্স নথ তাবকই -

—"চুম্বাস্ব হংবিনৈ য়াদত্র ?' ঐ দিও লোকুনা হায়-"থাবকুনি যাই অদুন ”

অছুদা কৈদৌবর ?

অদুদ। মবমতুগা রানি।

ঐহাক থোহদোক্ল মবম পাংলুবগী বফম নবে। মর্ম, মুংগী শুইবা বাফন অনা পিলুবগী রানি। অছুবু এগী পৌবাং অপুনা শাগুংনবা হ যবকই-

ও ... শু অদু ওইরবদি হংলরোই।

ফাগী তৌবনিদা, কৈদোবগী যুমদা চংনিংলোইদৌরিবানা। তুমিন্ন ক কৈরে ঐগী পাউথুংস্থ মহাক তাদবহন থোশাদে। তানবস্থ তেনিঙ্গদনা ওংবমগনি মাগী অচুহস্বা নতৌহু যাম্ন। পৌন্ত্রিনা অন্তা নদা অমগী মতৌংস্বদগী হং কাদে মলংহুংস্থু য়াম্না চংদনী অমনি হ মবেক শেংনস্থ তাক্লি। তৌনবুদি হুক্তিক মাগী শাবানসি চহি কুন্দগীদি ইহেন হেনলোই। মতুমকনস্থ

ইনথৎলকপগী মতৌশা য়াম্না ওইনগনদ ১তোইদুনি। অমরোমদা অসিংঙ্বা মতৌসিনা হেন্না ঐগী পুক্নিংবু ১থুম মরাং হৌরল্লি'

ঐনা হায়া অমুকশু হায়রুই—"স্থনিত, নংসে অঙাংগুম য়াম্না শাওগনবস্থু হৈদনা।"

- ঐদি অহুম্না তৌখিবত্থু লৈখিদে

ইন্দকমক হান্নগী ফিভমগুম মোং হাদনা রা ওাংবহ। মহাক্না অমুকশু মথা হায়রুই "দদা নেংমদি ঐবুস্থু ইন্ফালদা পুবিগনিদনা।"

- নহবু অমুক্তা চৎখিদ্রিব্রা? শোয়দনা পুগনি, নোংমতংগী নাক্ত পুক্নি চুম্নগীনি।

অমুন্না হাযনিংলুই, অহুবু মগি করম্না হেক্তা ইয়াং য়া-হায়দনা মগাদগে? মহাক জাতি তোঙাল্লি। অচুগী মৎক্তা লোন্নবা কুদোমনি করিহস্বা ঐখোয় অনিগী মবক্তা লেন্নবা লেরমদ্রবা নল্লগা নিংতম্বগী থোনা লৈরম্লব থোক্লব বাহৈ অসিবু করম্না পম্লোকইদগে?

—ইম্ফালদা অমুক্তা চৎলুদ্রিবরা?

—চংশদি চৎলুরে অহুবু মহুদি ঐদ চঠি ২২ মুক চাংবি-ডৈদনি অহুনা করিমতস্থু ফান তাহৌদে।

অহু ওইবগনা ঐনা অহানবা হুম চংশদা চংশনা।

চিনবানমক্তা পাউথুম পীরবক্রবস্থু মায়থোংনা পাউথুম পীরকই, "চংসি" হায়না।

মাগী মক্তা লাম্নবা মায়থোংদু উক্লরগা থংনিংবা ঐগী লায়নাহ

অমুক লাইমন কাংলকপা হৌবে। তাঙ্গা অসি নত্তনা ঐনা তাইক অতোপ্পা তাঙ্গা অমুক ফংগনি থাজদে।

তশেংনঃক্লি, তাঙ্গা অসিমক চিবুপ অসিমক ঐগীদমক্তদি যাম্না থুদোংগারবনি।

— সুনিতা ঙসিদ এত্থাক করিগুম্ব অমত্তংদি হংগে।

ঐগী শংহন হনজিনবা তৌভু উবগ সুনিতা নানবক তৌই। অতুমকপু মতু ফাজিঞ্জনা যবক।

—করি য়ানো?

তাঙ্গা অসিমক্তদা ১পংনা উরংগ থবাও লাওনবকপগী খোঙ্গল অমনা ঐগোয় অনিগী বানা রক থৎখ্রে। থম্মে যম্লংদা অশাওবা ফাওবকখি, পান খোক্লুবা ফাওবদি লৈতে। কবি-ববিনো ঙাও শক্লি। সুনিতা যুক হৌগৎখি। মপান্দা সুনিতাগী অশাওবা শোঞ্জেলনা হায় ব—

—কবিনা প্রদীপ নঙনা ঐগোন কয়দা শৎলকনে?

—'মহুদি মশানা তাবনি।' নহিন চেং ফাক্রনা অনুগী য়াইগেনি।

—করি মশানা তাবনি হায়বদি কবিনে?

মসিগী থুংদগীদি বেঙ্গলিদা অচুম কংখ্রে। কাব হায়র্বনাং হায়বদি ঐহাক ডান তাদ্রে। অচুবু মখোয়না ঙাওনখিবা বাক্সে পাবং কয়াচাম ভনিফাওবা বাথন্দগী মপান খোকাক্র।

—যে ঘবের মেয়ে ছেলে আছে সেই ঘরে বাহিরের কোন ছেলে রাখার নিয়ম আছে?

—আজ কাল যে সমাজ বদলে যাচ্ছে প্রদীপ।

—ইহা জানিয়াও তুমি বাইরের ছেলে রাখছ নিদায় আমার থেকে, তোমার সব কিছু কাটা হয়ে গেছে।

—এ গুলু তোমার শুনার দরকার নাই। তোমি [illegible] মানে কর। আমিও তোমাকে খারাপ নজরে দেখি।

—মসি হায়নরম্বদগী স্মৃতিতাগী ফিভম হেন্না শা[illegible]ক্লে। শারি মচি থাংচেংতা যেংশিল্লকই। মিকুপ অসিদদি ঐহাক থাম্ব চেপ্তোকলুগদা [illegible]ঙগা লৈরিবা থোংজিনসিদা অহুম লেপ্[illegible]না লৈ[illegible] ইথক্ত শনক্লাহৌবি। ঐ [illegible] খঙে। নিপাহু [illegible] ঐনা [illegible]-নিনিশুবা নুমি[illegible] ফিভমসিনক্তদা গেটঙ [illegible] থুনা[illegible] [illegible] অচুম[illegible]। ফিজোলসিমকম্থু মতম[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মহাক্কি হায়বা ঙঙ্গিবনি।

অম[illegible] [illegible] অ[illegible] [illegible]ইরবস্থ নুপা অ[illegible] নুপা অমগগী [illegible] ঐনা [illegible] হায়বদু [illegible]ইগদৌবিত্র [illegible] কারদি উপায় [illegible] [illegible] [illegible]বিদনা। ঐস্থ থম্মোয়গী মীহুন্দি পাখংপগী মীহুন [illegible]। অনিহুগী [illegible] অম্ভম [illegible] নবশিল্লদ্রে ঐগী অ[illegible]বদু লেপ[illegible] [illegible] ইশনা উনবা[illegible]নে। রামদাসকী গাড়ী [illegible] [illegible]লকই। লান [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পায়থকনরম্বা অনিহু রামদাস উবদ [illegible] [illegible] [illegible] ফমনগী হন্দোক্ল[illegible]।

রামদাস গাড়ীহু গেরেজদা থ[illegible]লহল্লি। ইফিং [illegible] [illegible]দগী কুমথবক্তুনা নিপাহু হন্না হোংহিল্লকই। মিকুপ অমগী মতুদা

নিপাদুগী হকচাংগী মফম খুদিংদা মথুংনা মখোঙনা চৈনা পিরি। নিপাদু চৈনা যেমলবা মশাদু ইচং থোৱা ঙসক্রমানে—চৈনা থাঙই। ওংনবা নিকুপ্পা নিপাদু মপানলোমদা ঙমকনী থাদুনা চেনখোকখি। মীচেন ঙইনা চেঞ্জবিবা নীশকু পান্থম নে অমুক তান্নরি, খে না ফংবদা খোঙনা কাওরি। মদু স্তনিতাগী পম্বোযদ করি থল্লব্রগে হৌদে। বমদাসপু অমুক তান্নহনা খামজে। মতুগী ত প নোঁহুনা নিপাদু ট্রনা ফংদনা চেনখরে

মচলনা মথুদাং পাযহনা খামজনহুদদি কব ইংথবাস নে তান্নবা লেপলে। ঐনি অদু ফাওব। ঙনদগী খোঙফম ফা ফাওব লেপদ্রে। ঐগীদি তু দনা মও মঙলস্বনি।

বামদাসনা মাঙ থাদুনা স্তনিঙস্ম চৎকে। বামদাসনা খোংজিন কনশিল্লক্রযওরদ ঐগী মতম্‌সুনা লোইদ্রে

—টিস্ত্রী অসিগুম্বা ওখিবা কৈনগী মশক খুদংশিংদি মথংদদি নঙনসু খুৎযাবা কংযদে। মতম নঙ-ঐনা দোষ পুগৎবা নত্তে। মশাগী মতিক চাবা দন্দিনি।

ডাযবক্লিবদু বামদাসনি রাকৈ খাহুন ঐবু মঙলাম্নবদগী মাকপ থোকহল্লে। "মহাকপু কনননে, ইমুংগিগা করি মনী লনবগে" ডাযনা হংনিংবনি অদুবু মদুগী মকত অদুসু দিকুপ অসিগী নত্তে ইংথনবব মঙেনসু হংগুনা হই।

থোংনা নিপাদুগা পদিস্ম থঙনি শুনখ কম্নবা লৈতে থনলগনা নঐগা থেইনা থৌশাকদবদগীবা এনা থোইনা থল্লু বনা ঙসিফাওবা হংসুদ্রি অদুগা স্তনিংতুনগী ঙসিযংঙনদ নিপাদু

লাকখি। অদুবু ওসিদি ইতোমতা সুনিতাগী অঙৌবা ফিজোল। অদুগা অংরোমদা নিশা চুববা নিপা অনিসিগী রাখলনা ঐগী কোকসি চিকহল্লে। নিপাদুনা ভাঙই শকই সুনিতাদা অতম্বনা অদুগা সুনিতানা শাওই নিপাদুগী নিশা চুববা মতৌদুদা। মসিনা তাক্লি অমনা অমদা পেল্লদবগী মওং অমা। নিপাদু মহাক্কী কনানো? অদুগা খ্বাইদগী শাথিরবা মওং অমনা ঈ মচু শঙলবা মমিৎ ভুনা ঐবু শানা-শানা য়েংবদুনি। হোয়ঃদুম্ব চম্না খল্লোকসি নিশা চুববা মীগী হৌনশানি খল্লুনা। অদুবু ঐনা তেল্লা থনজিন-. লিবদি সুনিতাগা নিপাদুগা করিগুম্বা মরি অমা লৈনৈ হায়বসিনি।

ফরে নোংমা সুনিতাগা কৈথেল কোয়মিল্লরুবদা থেংনরকপা ইমাদুদা করিগুম্বা মওং অমদা হংলুবনা শোয়দনা ঐগী খ্বাইদগী লায়বা পাম্বৈ ওইগনি।

—মিস্ত্রী সে টিং ভিং সি বির্টন লাকপনি অমুক্কা য়েংউ।

ঐগী মং মীকপ থোকহল্লে। রামদাসনা ঐগী মাঙদা লেপ্পুনা পেংর্টেবল টীংভিং অমা ঐঙোন্দা পীরম্মী। মদু ঐনা লৌদুনা চেকক্লাদমক শুংলাই থাবা হৌরে। তাঙ্গা অদুমক্তদা কৌরকই--

—হল্লো মেকানিক্স।

য়েংথোকলুবদা ইথা থাক্তদনা ঐগী মরূপ সুনিল লেপ্পুনা লৈরম্মী। ঐনা ওকপা নংত্রিঙদা মানা অমুক নোংশিল্লকই—

রাখল ফুঙাক্তরব্রা করিনো শক্কদি য়াম্না ঙৌথোক্লদনা ফজথোক্লম্লেদনা।

অদুমাইনা ভোচ্ শকপসি মাগী হান্নগী লোয়্‌নরবজবা হৈনবীনি। কবিংশ্ব মতমদসু ফাগ তৌগল্লি ঐনা ওক্লছুন খুম্মী—“কৈদৌঙৈ থুংলরিবনো?”

—‘হুজিক্তা থুংলরেনি, শিলচর যৌদরেনি, গাড়ী ভাইহাক থাম্মিডৈসিদা নঙগী ননাক্তা চড়ুক্কইবনি। ফবে গাডী অমুক চংকে হায়বনি, ঐ হল্লকপদা নোংদি নঙগী ননাক্তা পল্লগে। সে ইমানা চিঠীসিমা পাবকপনি।’ চিঠী অ এচেংদা পীরম্মী অতগা অহুম চেনখোকখ্রে

নিপালগুবা শরুক

লেংপাইজিংনি, ইবা সুনিতলা লৈবক্কা চিঠিডু খংচিং লিংখিংলক্লগা পোংকেটতগী চিঠিডু লৌথোক্লগা পাবা হৌই। অসুম্না ইরম্মী।

ইমাগী ইবুংঙো,

নহাক অমা অহেক্কা য়াম্না হেন্দনা? ইমাদি নঙ উদবা থা অহুম্মুক্তা পুরা ফাখ্রেবা নঙনা। থা খুদিংগী থারকপা লুপা লিশিং অমমম অহুম কাযদনা অতুম ফংলি।

নহাক নত্ত খবর খনক থাদোকপা য়ারবদি মমদা মমুক্তা থোরকউ। মবনা নপাক্তু হান লমম্বদা গাড়ীনা শোক্লগা লাইহৌ-য়েংশঙদা লৈফি হায় থন শোকপবুদি নহে খরতুক শোক-পদনি, নহাক পাথংবনু। নপানা নঙ কৌ হায়রদুনা অতুক ইবনি চিঠিসি। নপাসু গাড়ী নপুনা লিংথিনা লাইথেংবীরি।

নহাক্কী নমা

সুবদনি

ঐহাক ফঃ লম্বদগী ফুক হোৌগংলি। হম্বকপা মিকুপ্ত ইথাগী পাখৎকম্না হাবেকপা বাহৈত্নবা খবা হম্বে। পৃরিংদা খল্লি, হংসক থাগী তলরসে ফংলগা য়ুংদা থোক্লগে হায়না অচুবু হান্ন মাংজোনবা বামদাস্তা খঙহনবদি চুম্মি, ফরে মত্তাং চাবা অমদা হায়রগে।

ঐগী হৈনববা নোংমাইজিং খুদিংগী বাজাব নল্লগা রংগী চা বাগান্দ চৎপসিনি। ঐগী চৎপগী মতম যৌশিল্লাক্ল চিঠৌহ্ন খুপচিন্দুনা মোন মখাদা থমলম্মী। লিংলিবা মুংহৎতু লৌংগে তুলবা অমা লিংলিল্লি। ঐহাক হান্নগুম তাকলম্বদ্রে ৎৌদ্রে। কনামত্তা তাকলমদনা চুংক্লিং থোৎকই। লম্বী চৎলা চৎনা নিংশিংলকহ্নহ কৈথেল ফম্বী ইমাদো। মত্তাং চাবে খন্দুনা কেথেল ফম্বী ইমাগী মনাক্ত তম্না হেক্তো খোঙ থাংলকলে। নিকুপ খবগী মন্নুংদা কৈথেল ফম্বে, ইমগী লুকমাই মাঙদা ঐহাক লেপ্লবে।

লুকমাইদগী নিপা অমা ইন্দা-পাপী কম্না লৈবী ইমাহ্ন মমলগী চাচনবদা গ্রৈডোন্দ। হাইফেন্তং য়েংলকপা শংদ্রে। মিনিট কয়া চৌখ্রে। ঐগী থম্মোয়দদি হেম্না ডাইভমদবা ফাওবকলি সোমদনা মমলগীদংক অরেপ্পা লৈতবা মথৈ ডাঙনবা লোয়র্গ্রি।

য়াম্ন রানা মিকুপ খরদি ডাইরবা মতুংদা টিচির-মাচিন্না নিপাহ্ন পোৎ লৈবা লোইরদুনা চংখ্রে। হেক চৎখিবগা ইমাহ্ন যেংখৎলকই। ঐ টবদা খরা চকপগুম হায়বকই

—এ! ইবুঙো কয়াম কুইরে লেপ্পা, করি করি ইন্নাং লৌগদৌরিবা?

—ইমা ইন্সাং করি লৌশিংগে য়েংজিনবনি।

- লৌ লৌ য়োংচাকপসে মরু য়াম্না তোঙলবনি। ইরোল্লবদি য়াম্না হাওরগদবা জাংনি।

ইম য়োংচাকশিবু কয়া কয়ানো?

—ইবুংঙো ইমাগীসি অনিগী অচম তৌবনি। ইচানা লৌববদি, মচু লৌবা য়াই হায়ত্রা?

- হোয়দা ইমাসিদি।

অংগংবদি এহাক ইন্সাং লৌনিংলুবগী খাকম নত্তে। চুম্না খাহৌদেংক ওইমংনি অচুবু অবাবদি এনা হৌদোকনিংবা খার্বি-দুনি হৌদোকপ ময়দনা ইন্সাং য়োনবা লৈবদা ওইনা চৎথরে। উপাই লৈতনা লুকমাওদা ফমথনা খন্নিংঙাইগী মরম লৈত্রবা য়োংচাকচুদা লেংতুনা থম্লি। অওকপনি এগী অরাবসিস্তু।

অচুম ওইনমক এগী অরাবচু ঈশ্বর মানা উবীরে। হায়রকই ইমাচনা—

—নঙবু ইবেম্মা সুনিতাহোইদা লৈরিব্রা? নত্রগা নথম্তা লৈরিব্রা?

—ইমা ঐ হুজিকফাওবদি সুনিতাহোইদা লৈরী।

—হোয়দা মচুনা হেম্না নঙগী ফৈদো অচুবুনে লোক্লা চাওবা লৈকাইনিদো, কোম্না মীনা ফজনা তাঙনরেইদা। থওদে য়াম্না চুংশিত্রবা চুপীমচানি অচুবুনে মাগী মরাইবক্তা চুংঙাইবা হায়বচু তশ্নীরমত্রবা?

—"নত্তে, ইমা মাবু কৈদৌরগেনে?" য়াম্না শঙদবা য়াম্নসু

চম্বা রাইহেনি ঐগীছু।

—ইহে নঙবু থদঙ্গি রো? য়াম্না অপোং ওইরিবৈদা মপ না ঙুপ অমদা লুহোংবী অহুগদি মপুরোইবগী ফশি [illegible] য়েং মচেৎ অমা কাওবা ফংদনা মপুরোইবা লৈখিদ্রবা।

—কবি হায়বা, ইম মহাকপো।

হোযনে মহাকসি লুখ্রাবীনিনে।

ঐগী কোকথক্তা ব্রক্ষ লিশিং-লিশিং মস্থবকি থোকতাক্লে অচৌবা ফিজোলগী অর্থ। অর্থতুনা থুগাইব ঐগী থম্মোয় মচেৎ কয়া থোকনা। মসিগীদমক্তি এনা খঙনবা [illegible] খঙলে মতুংদা করিগী ওৎলরি ঐগী থম্মোয়দুংসিদ, কাবগী শিস্থ'ব পীরং।

ঐ বাইহে মথা অমত্তা তারমদনা পোৎকমদগী থোরবাগে। য়োংচাকস্থু অহুম থংলম্মী। ইমাদুনা করি করি হায়হৌবা ঐহ ক করিমতম্ভু তাবাক্লে। মাগুদা লৈরিবা লোংলি-পান্নিব প্লুমক মশেন মরাং ওইনা উরকই। কনম্বা মতমদা মমকিবানা হায়বস্থু ঐহাক খঙহৌদে যুম যৌরবা মতমদা মম্মে হায়বসি খঙলকই। মমুংদগী ফাওদোরকপা ই[illegible] বজবকী মৈতান্দুনা এবু কয়ারক করেমবরই, 'খঙবা [illegible] খোদনা"। [illegible] কাচিন কোয়া খুদিংদা থুংহৎলে [illegible] নশিংনা', লৈমাইদা [illegible] লাকনরি। অমুক্তং রাখলসি ফমতুনা খুৎ ওইসিনা তৈথোকচৈ নিক-নিক লাওরবা পীবাংবু। অহুবু মতুনা ঐগী থম্মোয় কাথখির্বদি নত্তে

—ইবুংঙো ওসিদি থেনা চঙলকইদনা, ইবুংঙো রামদাসনস্থু

ইবুংঙোন হংলম্মনি।

ঐঙোন্দা শক্তী অংকপনা হায়রকইবা রাশিংদু ঙাকু ন ঐগী কাদা অত্থম চংলকখি। তৌখম খঙদ্রবা ঐনি করি উপাই লৈ কমুংদা লোংনা হিপ্লুনা থম্মোয়গী মৈচাক থাংলি। থম্মোয়সিনা হংলি—“নঙনা মত্থংগী দমক করি রাকুনিংঙাই লৈবগে? মহাকসিবু নঙগী কনানো? ঐদি নতৌদ্রু উবগা রাবাদি লায়রদনা হেন্না নংবু তুক্কচবা ফাওই। অরেম্বদা অরাবা নশানা শিঙ্গবদি নঙগী পাপকী গংগীম্ম দোষ লেতে। লুহোংলূরবা মপুরোইবগী মরুম থুপ্প লেননবী তুপী অংগী মফমদা নঙগী কারন মৌয়েং, ঐ নচন্ন অনুমা তুকংচৈ। খুদক্তা নঙগী অচুম্বা তুক্কচবা পুম্নমক থাদোক্উমম্লা নঙগা খ্বাইদগী য়াম্ফবনি।”

এনা মচুগী পাউথুম পীরি— 'তুম্মী নঙনা হায়বা অচুম্বমক্কি। মহাক লুহোংলদবা মপুরোইবগী মরুম থুপ্পা লেল্লববীনি! অচু-ম্বা তুপীগী ম ঐগী তুংচবা মীয়েং কারল ঐ খুদকন্দা থাদোরনি। ঐ তংলন লাল্লবনি, লাল্লবা। মতে ঐহাক মহাক্কী বংল অনুক হন্নমু থল্লরোই।

—মিত্রী হয়ম্মা শাংনা কোয়থোকলুরেদন।

চন্ন যেংখংলুদ রামদাস ঐঙোন্দা ঙম্না ফোংফং তৌনা য়েংহুনা লৈরম্মী ঐগা কুপ্তাইদনা, ঐগী পরাংশিং উখিদনবা পম্না লেংশিনজদি। মায়ম্ম মায়থিথিন্না থল্লি, মাগী মতুং ইন্দুনা ঐম্মু খিঙ্গু নোকখি। য়াম্না থোইনা নোকনিংলূবগী রাক্ষমদি নত্তে। চুম্নভগী ঐগী ফিভাবু উহন্নিংদবগী থজিক ঐগী মীনোক্তু

উৎখিবনি। ঐনা পাউখুম পী—

—য়াম্না শাংনা কোয়খোকলুবদি লৈতেদ্রা।

—ঐহাক নঙ ঙাক্তরম্নিবনি।

—করম্বা রাকমণী......।

—ঐহাক ঙমিৎ নিনিদং গৌহাতিদা চত্তবা য়াজে। ঐহাক হয়েংমক চংপা তারি।

- গৌহাতিদা করি তৌগদৌরিবা?

—ঐগী মকপ অমা লৈ। মহাক মশাগী কেন্সর লায়না অমনা কম্না নারে হাওদুনা কেন্দা শঙ্ঘল্লকই। ঐ য়ামত্রেন্দা মাগী মনাক্তা অতিং অমা লৈফম থেংকই।

রাধাশক্ষী রাইদা খুদোংচাবা লৌহুনা ঐগা য়ুমগী পাউ তম্মী—"ঐহাকস্তু হন্দক থাগী লোয়রকপদা য়ুমদা অমুক্তা চৎলুংদ্রা য়াগদ্রা?"

- করি মরম লৈবগীনো?

—গাড়ী এক্সিদেন্ট অমদা বাবাহু থরা শোক্লে হায়না ইমানা চিঠী অমা ইরকই।

- "এ! কয়াম থীনা শোক্লবনো?" য়াম্না পাথৎনা হংলকই।

—য়াম্না থীনা শোকপবুদি নত্তমানে অদুবু ঐহাক অমুক্তংদি য়ুমদা চৎলুগে হায়না খল্লি।

—ফরে ফরে য়াম্না থীনা শোকপা নত্রগদি অদুবু বাবা শোকল্লিবনিনা মহাক থা লোয়বা ভাইত্রবস্তু য়াম্না থুনা য়ুমদা চৎলু।

—অদুবু অনোমদি হয়েংমক গৌহাতিদা চৎলনি......।

ঐপী রাইগী মরক থত্তনা হায়রকই ..“হোয় চুম্মী অদুবু ঐস্থু য়াম্না কুইরক্কদঘদি নত্তেদনা। ঐনা থোকলকত্রি ফাওবদি নহাক লৈরম্বা য়াগনিদনা।”

—করিস্থু অকায়বা লৈতে। ঐদি হায়জখিবত্তুনি, থাসি লোয়রকপদা চৎচগে হায়ত্তুনা।

—হোয়দা নঙগী মুংশা থীবা লৈত্রবদি নঙনা অপাম্বা মতমদা চৎলু। শক্তী অংকলস্থু ময়ুমদগী হয়েংমক্তি শোয়দনা লাক্লরগনি।

রা ভাঙবা লেপখ্রে। ফমুং নাকন্দা থারিবা অরাম চৌক্রিদা ফমথৈ। যাম্নস্থ লুম্না য়াম্নস্থু শাংবা স্বর অশাংবা অমা হোন্দোকই অত্তুগা তপ্না হায়রকই—

—“খঙদ্রেক্কা ঐনা তৌগদবসি। ঐহাক নচলম্থুপী অন্দিথক্কী শনবদা ইনিংত্তৌনা পোঙ অসি থাংদোকপা ভমদ্রবনি।” মত্তুদগী চান্নুবা নম্রিমত্তা লৈতনা মরি মরি লিথরকখি রারীত্তু—মহাক্কী (শুমিত্ত) স্থপ্নতগী চহি ১৬ তা ভাইবিভৈদা বাবানা হিংলিভৈ মহাক্কী লুহোংবা য়েংনিংই হায়ত্তুনা। নিপা অমদা লুহোংবীখি। অত্তুবু লাইবক থীবদি বাবাগী অনিংবা অপাম্বদি ফংত্রে অদুবু লুহোংবা অত্তুগী মুমিৎমক্কদা নিপাত্তু এক্সিদেন্ট তৌত্তুনা খুদক্কা লায়কম্নবা ভমদনা লৈখিত্রে। লুহোংবা লোয়রগা হনখিবদা লাইবক থ বা থোদোক্ত থোকখিবনি।

পাউত্তু তাবদা বাবাস্থু খুদক্কা অত্তুম রাথল মুংভাইতবনা যুনগাংলক্তুনা লৈখিত্রে। মিকুপ অত্তুদগী হোনা ইনথংকবপা যৌবন

মতমবু নাথৈত্তুনা অঙৌবা [illegible] মাগী ফিজোল ওইদুনা লাক্লি।

রামদাস পিশিংনা ফুনগৎলক্লুনা ব্রা ভাংবা ঙমগ্রে। অদুবু মিকুপ অমা অনি তুমিন্না লৈকরগা ওপ্পা অমক মথা [illegible]—

"যেউ চৎলবনা ফাজিনবীরবা যোংহন্নলংগ [illegible]।" ঐনা হেক্তা হাংলুবা কবন্না যাগনি। অদুবু ইনথংলকপা মতংগী যৌবনন [illegible] ইথং কুন্থে লাওপদা [illegible] [illegible] মরক্লা। কদাই অদুদু চংনরীনা ফজিন [illegible] উপাই [illegible] অঙৌবা ফিজোলগী [illegible] ইচংনি। অদুগী [illegible] থকম্বু [illegible] মনাও [illegible] লাক্লগা হেক ওৎলরিংদুনি

তাঙ্গা অসিমক্তদা [illegible] মচগী [illegible] হিক হিক খোনথিকপা খোঙ্গেম [illegible] খোঙ্গেলহুনা থঙ্গোযম্ভুসিদা খড়াহোন [illegible]। রামদাসস্থু ভাঙলম্বত্ত লেপ্পা মসিগা [illegible] তুং হন্না যেথেবলুক ইকাই ইকি থাদোক্লুনা খোঙ্গেল [illegible] [illegible] মচাগে। অতৈ কনা নত্তে, অঙৌবা মুঙ্গি [illegible]।

মফম অ[illegible] [illegible] শিন্নবা খোঙ্গ হন খেনাং [illegible] অঙৌবা [illegible] [illegible] [illegible]। ফম্লি ঐ[illegible] খোন্থ[illegible] [illegible] তুমিন্না [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মচাক। পুন্নিং থাদোকপ রক্লমানে [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পীবীবমক্রমানে, পীরাংসিনা [illegible] চোংনথোকখ্রে চৎলবীনা মথোঙদা য়োংহিলং পু[illegible] [illegible]বীরবী অঙৌবা কুযোমগী অঙৌবা মুঙ্গিদো।

যেংশৌবি মিংফম হোংদনা ঐস্ম। রামদাসশ্মনি, কবি ছৈগনি, িকুপ অসিনদি সাগা ঐগা বরিমন্তা থেন্নদে।

ভাইহাক চংকননা তুমিন্না নৈকনবগী তুংদা সমাক নৈসিন-লকনা হায়বৈ "সনি মগা অনৌবা নত্তে।" অরুম্বা শর অশাংবা অমা হোন্দোক্লগা অমুক হায়রকই—'ঐহাক মহাকপু লুহংবা পাম্মা শন্থবু চংনবীনা অমুক হন্ন। লুহো দা যাহল্লি।" মসি হায়নল্লগা যম্মা লুহ্ন। থোঙথাং অমা থাংদোক্না মপান থোকপে শন্থবু ঐগী রাথনসিদা উংতুনা নৈহৈদি—'অমুক হন্না লাহ্লাংদা যহাল্লু চংনবীনা . . . চংনবীনা"

মাপলগুবা শরুক

রামদাস গৌহাত্তিগী দমক চংখ্রে। শক্তী অংকলস্সু হুজিক্ক-ক্ষাওবা লাকখ্রে। নুমিদাংগী মতম শুইরক্রবসিফাঙ্গলদা থুংলক্লি-বসিনদি লাকনি হায়বগী আশা অমা ইবৈ লৈরে। সুনিক ঐখোয় অনিশা তরক তরক লৈরি। মসিবু হৈনগদোনিন নত্রগা হৈনবোইদ্রা হায়রবদি থংদ্রি। পুক্নিংসি অমুকস্সু মগুন মগুন শক্লক্তবা নত্তে কবিগুম্বদ, ডাং-ডাং খনজিল্লকই। মসি-মক ঐগী খ্বাইদগী অশোনবনি এনা খল্লি, ঐহোয় অনিদা লৈবা ইমুংসিদা কনাগুম্বনা লান্না উখিবসি ঐগীদি খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। অহুন হুইনমক্ক হাযত্তু-স্সু মিকুপ অসিদা চেল্লুব' যারিব্রা ?

—'দদা ভসিদি কবি হেন্দাং চাসিগে ?'' খঙহৈ দলা সুনিতা ঐগী নাক্তা চংলক্লুনা হায়রে। মাগী শকফম যোংহাদে। মুংশা থীবগী শকফমস্সু ভাদে, খোইনা হেল্লা ঈথক ইপোম অমদা মুংভাইজবগী মমি অমা মাইথোংদা ভাবখ্রন তৌই।

মহু ঐনা হেন্না খনজিল্লুবনা ওইরম্বস্নু য়াই।

- আঃ নঙনা থোংগে হায়বহুতা তৌদা।

—অহুদি আনুগা চন্নাইগা থোংলগে।

—উম মহুনবু হেন্না হাওগনি। অদো শক্তী অংকলদি লাকত্রিবরা ?

—লাকত্রি…… লাক্লরোই, ঙসাইনা পাউ লাকলম্নবনি।

—করি মরমগীনি হায়বগে ?

—মাগী অঙাং য়াম্না কন্না নারেম্নু হায়রম্মী।

—ও, অহুদি লাক্লরোইদনা।

—হয়েংদি লাক্লগনি।

অসি হায়রমলগা সুনিতা মপান থোকখ্রে। শক্তী অংকল লাক্লবোই হায়বম্বথক্তনা ঐগী থম্মোয়গী মিহুন চকচাংগী মকম খুদিংদা চোংলরি। মরমদি ঐস্ত খঙদে। শক্তী অংকল লাক্তবগা ঐগী থম্মোয়গী মিহুনগা করিগুম্বা মরি অমদি লৈখিব্রা ? হায়দোকপা ঙমদে ঐগী চিন্দগী।

অম্নুম্না পুং অমুক্তি হৌখিরম্লনি। ফক্লাংদা থেংলিবা ফক্লাং ঘড়ীদগী কাং-কাং নিপাল্লক খিংলকই। মহু পুং নিপান তারে হায়না তাক্লিবনি অহুম ওইনমক খুদাং ঘড়ীমুক থাংগত্তুনা য়েংই, সুমিদাংগী পুং নিপাল তারে। ফক্লাং ঘড়ীগী পুংহু থোইনা থাজক্লদবগী রাফম নত্তে, হেন্না শেংনা খঙনিংলুবননি। ফক্লাং ঘড়ীগী কাংশিগী থোঞ্জেল ভুংইন্না সুনিত্তা কায়োমদা চংলকই। মহু চাক তাক্লবগী ওইরম্ব য়াই। অহুবু লাইবক থীবনি

হায়গড্রা লাইবক ফবনি হাযগড্রা ঐগী কাগী লময়াইদা লৈবা পোৎশক অমখক্তা খুদি পীজিল্লরে মশাপুম্বা চেকশিনহৌদ্রেমাদে, ঐঙোন তম্মা উপ্পা হাইথরকই। ফীভম অতু ঐস্নু মাপুংগী থঙহৌদবা মরনা ঐস্নু শেম শাহৌদে। [illegible] হিল্লিব ঐগী ইথকসিদা শাফু অমগ লে যননা ননথরকই মাগী পোৎ নৌরবা হকচাংগী তোংশ শিংনা ঐগী হকচাংদা থোংলনদ পুংথ- বোইদবা কনানো? হকচাং অনিগী আশাবা মনিল তপ্পা তপ্পা ফুকতোকলক্লি।

তান চান্নরুবনা চনবাম অনিস্থ বযাদ [illegible] লাপ্পবা হান্নবনু শুপ্পতগী ইফি অমমুগী চাংদনি মশেন বরম্থা ঈশ্বরগী নোংদমনো? অসিহস্থা শংকেপগী থৌদোকপা ঐগি অনিগী পুম্নিগা ওইনা কযাদ [illegible] মরী শুশিবা। [illegible] অথংদা চোইনা পাঞ্জবা শাড়িগী মচি লৈমাযদা তাদে। ম্লাঙ্গুনগী মক্নুংদা লোংলিবা থবাক্কী থোংনা খোলবা অনিগা শফুন ঐগী থবাক্তা।

মতাক অফিং-অফাই ওইনা হৌগংকে তৌই। অতবু ঐগী মীয়েংনা মাগী মীয়েংদু যাজিনদ্রমাদে। হনবন্থি থৌগংনগী- মমক [illegible] তৌখিদ্রে। [illegible] চুনবনহম মীৎচান্নবি। মসিমক্তুনা ইনথংলকপা [illegible] দা [illegible] হৌহল্লবা মচাক অমা [illegible]।

অতুংস্থ মাগী মিংযেং অতুদগী ঐস্নু নাহোকপা ঙমখিদে ঐগী হাংনা তারবা থুং, তপ্পা থাংগত্তুনা ঐগী ইথক্তা লৈরিং

মহাকপু তপ্না কোল্লুখ্রি। মাগী হোল্লম্বা মুশা শম্ন হায়্নদগী চাং হেনগংলক্খি। চীনবান অনি তপ্না-তপ্না নকশিন্নরকনি। মিকুপ থরগী মমুংদা থেংনরে চীনবান অনি, চীনবান অনিগী লান শম্না লোক্লরি।

মিকুপ কয়া হৌখ্রবনো হায়বা ঐদি থঙহৌদে। চীনবান চ [illegible] অপেনবা লৈরক্লবদা ঐগী ইথক্তা লৈরম্লীবা মচা [illegible] ঐগী ইশা থাবলগীদমক্তা মশাদু ওক্লোকপিবি [illegible] লৈরবে মচা [illegible] ঐগী ইথাদা [illegible] অদু ফংলবদা মাগী অ [illegible] [illegible] [illegible] হৌখোরপি বি। কয়াদা লৌনা নিংখিরবনো [illegible] অনি। হন্না-হন্না কয়া [illegible] চুপচাখি, [illegible] অঙৌবা শা [illegible] লৌথোকপীবি।

অসুম্না [illegible] মহাক্কি নিকুপ অদু [illegible] [illegible] থকখি ঐসু [illegible] মাগী অমৃত।

[illegible] অনি থাইদোক্লরক্লে। হায়বদা ঐগী মুশা [illegible] মুইনা হোল্লি। মহাকসু অদু মঙাই। [illegible] অফিং-অয়াই [illegible] মহাক্তি [illegible] চাওনা [illegible] শাখি থুনা থুনা [illegible] হেৎলোই [illegible] মাগী অদু [illegible] [illegible] কাওরকখি। মদু ঐগী ইর [illegible] নাই।

মহাক কাদগী থোকখিবা মিনিট হন্না হৌখ্রে ইথক্তা

ইচিক চিকাহৌরি। ঐহাক থোক্লদবস্থ তশেংনা অবীবা অমা ফাওরকখি। থংনবা মিকুপ্তা ঐহাক করি ওইরকপা য়াবগে হায়না জাৎ-জাৎ খল্লি। অসুম্না খনজানরিঙৈ থোঙথাংগী থোঙ্জেল অমা ঐগী কারোমদা চংশিল্লকখি অত্থুগা হায়রে—

—চাক চানবা তৌবিরো।

ঐগী পাউথুম ডাইরমদে, মহাক থোকখ্রে। ঐসু অত্থু মঙাইরে শিরবস্থ ইরানগীদমকনি খনবনা চুমগনি খন্দুনা থোরক্লে। চাক চাফমদা ঐগী চাক থাংদোক্কুনা লৈরম্মী। অত্থুমকপু মহাক্কি কদাইদা। ঐগী থম্মোয়দা চিংনবগী চাং হেনগৎলকখি। মহাক মফম কদাইদা চৎলমগনি?

মিকুপ খরগী তুংদা অমুক্কং অহিক্লবগী থোঙ্জেল অমা তারকখি। থোঙ্জেন লাকখিবা মফম অত্থু শ্মনিতাগী কাদগীনি। ঐহাক মাগী নাক্তা চংনিংলকখি। অমুকসু মাগী কাগী থোঙজিন য়োরগা থোঙ কানশিনবা ভমদ্রে চিংনবনা হেনখিবনা। ফনা কুইনা হোৎনরবা মতুংদা অরাবা নংলবস্থু অত্থুমঙাইরে, অমুক-তংদি ইরাল কোকপীনবা হায়জরুগে খন্দুনা থোঙ কানশিল্লকই। ফক্লাংগী মফম খুদিংদা মৈতৈগী অরিবা ধর্ম্মগী ওইবা লাইশিং মফম চানা চানা থেংলম্মী। লৈতেংগী পোং-চৈশিং মফম চানা খম্বা মরমনা কাত্থু অত্থুকী মতিক ফজে। মত্থু পুম্নমক ঐগী মিংতা ভীবা ওসিনা অহানবনি মরমদি ঐনা অসুক কুইনা লৈরকপদা নোংমত্তা মাগী কাদা চঙলুদবনি।

হায়রিবা ময়াম্নশিংদুগী মরক্তা ফমুং মথক্তা অঙৌবা শাড়ি

শেৎলিবী মহাক্তো মোন্দা ময়ায় উপশিন্দুনা পিরাং থান্নবা হোৎনরম্মী। মতম অসিমক্তদি ঐগী পুক্লিংদা চিংনবা কোক-খিত্নুনা ক্ষমুং মচি অমদা ক্ষমথত্নুনা মাগী চোইজাইনরবা শন্নাংহু অমুক্তুং নানবীত্নুনা কৌক্লই—"সুনিতা" মহাক থুন্নক্তে। ঐসু পাউখুম ভাইদনা মখা তানা হায়খি-

- সুনিতা ঐহাক নঙোন্দা য়ান্না লানখ্রে। ঐহাকপু অমুকা.........।

ঐগী রাহৈ থত্নুনা অহিক্লবা খোজেন লোয়নত্নুনা হায়রকই-"নক্তে দদা ঐঙোন্দা অস্নুন্না হাযবীগনু। লাল্লিবদি ঐনি, ঐদি শক্তুশীনি . ।" রাহৈ মখা তাবা ঙমদনা ইফোং-ফোংনা কপ্লক্লে। মার্গ অহুংম্বা মতৌত্নুদা ঐগী মুংশিবগী চাং যান্না হেল্লকখি। অমুকশু মাগী মকোক্লা নাম্বত্নুনা হায়--

- সে কপকনু, নহাক শুক্তবী নত্তে। ঐনা থম্বা রাংপননি। সে নঃ,যত্নু লৈংশোরকউ।

..। অসি হাযত্নুনা কেংবান অনি পায়ত্নুনা মশা পুম্বা লৈশিনহল্লে। মাগী মাযথোংহুদা পিরাংনা ইচোৎ চোৎলম্মী। মত্নু ঐগী খুংসিনা তপ্পা তৈথোকপিত্নুনা হায়খি -

—সুনিতা ঐহাক নওবু তশোংনা মুংশি। অত্নুবু ঐগী চংশিনা অশুক কুইরবা মতমসি কোংদোকচনবগী থৌনা ঐঙোন্দা লৈজখিদে। ঐহাক নঙগা পুন্সিগী ওইনা হিংমিন্নবা পাম্মী।

ঐগী রাহৈসি তারগা থম্মোয় পেন্না মশাদং কৌগত্নুনা ঐগী ইথান্নুংদা ওইনজবা হোৎরকখি। ঐসু অহুমঙাই পুন্সিগী

থাদোক্লোই হায়বগুম মাবু চেৎনা কোনশিনবীরি।

ঙুমিং অহু ঐখোয় অনিতগী সংসার ওইখি। ফমুং অমত্তদা য়ারেকমিন্নখি ঐখোয় অনি। পুন্দিগী অমৃত কয়াসু পীথকখি, থকখি ঐসু অপেনবা লৈতনা। মানা কয়াদা হুরাওজখিবা। ঐসু নিং থুংবগী পেনজখি।

মথংগী ঙুমিংতসু শক্তী অংকল অমদি রামদাস অমুক থুংলত্রি। ঐখোয় অনিতগী সংসার অমনি ঙুমিং অহুসু। অহানবগী ঙুমিংকুম অকোনবগী ঙুমিত্তী য়াম্না কোইনা (ইকাইননা) ভাংনবা রাঙাংগী শাজৎ থাদোক্লে। ঙসিসু ঐগী নাকোংনদা ঙংহুনা লৈরি ভাঙনখিবা রাহৈ পরেংশিংদো।

— দদা নঙাক য়ুমদা চৎথ্রবদি অমুক লাক্কদবা মান্দে।

— করিগী লাক্লোইদৌরিবনো ?

— নখোয় মৈতৈগী ভাইহাকী ওইদব রাহৈনা নশাগী জয় তৌজে। উমদ্রবা মতমদা কাওখি অাংথোক্লম্ব রা।

— 'মহুদি কনানা হায়রিবা ?" ঐহাক ফিকুং নোকই।

— মীনা হায়বকপগদি নক্তেদা। ঐনা উরুবগী রানি।

— অদুদি য়াম্না ঊরবা জাংনিদনা।

— "ভশেংবনি দদা ঐগী ইনাত্তগী ঐবু থাদোকপীদুনা লাপ চৎকে থনবীগম্ন ঐদি লাইবক থীরবনি, মহু পুম্নমক দদানা তেম্না থঙবীরিবহুনি" রাহৈসিনা লোয়রকপদা খোনহিক্লরকই। পীরাংগী চাংজো অয়েপ্পা নাইরমত্রে। পীরাংহুনা মরম ওইহন্দুনা ঐগী পুক্লিংহু মিকুপ্তদা থঙশোন শোম্বরকই। মাগী পীরাংশিংবু

খুং অনি চহুনা য়াম্না সুংশিনা তৈথোকপীরি।

· সে করিগী কপ্লিবনো ? ঐহাকসে ঐগী ওইথ্রিংদ্রবনি নঙতগীনি, অদুগা নঙনা ঐতগী। নঙনা ঐগী থরায়নি। কৈদৌরুংদা থরায়গা হকচাংগা থায়নবা য়াদে। করিহম্বা থায়-নখিনা তাম্নবদি অশিবগী খোঙফমগী মরু হল্লকপনি। ঐহাক নঙবু কৈদৌরুংদা থ দোক্রোই।

ঐগী রাইহেদা মহাক্কা থম্মোয় পেল্লমানে পীরাংজঙ মোমোন নোকললকই। মাগী ফী থোংদ্রবা হকচাংবু ইথান্নদা চেংনা কোনশিনজহুনা সুংশিনা মাগী পিকতকপা চিনবান্দা চুপ্পীকই, অদুগা তপ্না ঐগী রাইহে মথা শমথৈ—

—ঐনা হয়েং কল্লকপদা, ইম্ফালদগী নঙগী করি লৈগদবউগে ?

মহাক ঐগী পাউথুম পীবাক্তে মতুংগী মহুত্তা মমাই লৈ-থোকখি। মতৌহুদা অমকন্থ হায়কই— অশেংবা অপাম্ব অমত্তংদি হায়রবই, এহাক নচুঙ্গীদমক হৈরক্কনি।” মথুন্থ পাউথুম ফংখিদে। মতৌহুদ এগী পুক্নিং চিংনরবই। লেপ্পাংনা হায়রক্ই অমুকন্থ –

নত্তে সুনিত্রা, নহাক ঐবু করিমতা লৈহন্দ্রক্কইদ্রা ? নঙগীসে ঐবু থাম্মোয়শেংনা সুংশিবা নাংপনা ঐবু নুংগীদমক বরিগুম্বা অমত্তম্ব তৌহন্নিংদবা।

-- 'দদাবু অমুক হন্না লাকখিগদ্রা ?'' হন্দকমুক্তিং ওইনবগী মংলোক লোইননা পাউথুম পীরকই।

—করিগী লাক্লোইদৌরিবনে ? সুনিতা নহাক ঐবু থাজবা

ইঙ্খম্মক ঙমহ্রিবরা ?

—'ঊম" মসি হায়দুনা খোঙ্জেল খোয়া লোল্লাক্ত অত্তগা থগী ইথান্নুদা মমাঙ লোংশিনজরকই। মাগী অক্তাম্ব মুংশিবা মতৌহুবু মুংশিনা অমুক্তং কোকথক্তা নানথরগা অমাম্ম ক্তক্ত-

—সে অমতংদি হায়রু। ঐহাক শোযদনা লৈবকনি। নংগী কবিহম্বা খনশা হায়দ্রবদি ঐনা কবম্মা মুংঙাইগনি। ঃ ত্রেশে না মুংঙাইবরাই।

—শোযদনমক লৈবকদ্রনে ?

—শোয়দনমক্তা লৈরক্কনি।

—অশেংবগী ?

– ইঁম।

- অহুদি হাযরগে।

- উম, হায়রো..... হারবোসে।

- অহুবুবো .... (তুমিন্না লৈথোবক্রে)

-- অহুবুরো হায়রগা তুমিন্না লেরবদি কৈদৌরে ?

ঙাইহাক তুনিন্না লৈকরগা মায়থোং কাংশিন্না হংহরকই "মীতৈগী অঙোব ফিজোলদো .. . " রাইহ মথ অমুক তাবদ্রিব্রে। মহাকী কোংদোকনিংব রাইহুনা মপুং ফংদ্রিবম্ম মহুম্না নক্তিক চাবা অর্থ অহুম বঙবা ঙমদি অমুক্ত, অরোইবা ঙইনা হায়খি-'ঐ শোয়দনা নহুমক লৈরক্কনি "

মথংগী মুনিংনি। শক্তী অংকল অমম্মুং রামদাস থুদরে। অহিং অহুনদি মথোয়গী মিৎয়েং ফিরনা নবশিন্নাক্র অহি অহুদা

হেক হেক মমাংগী অফিং অনিগী থোৌদোকশিং মিংশিংলুবদা কয়াদা থাংবদা রংঙনখি কামগী ইরাংনা ইহৌরকপা খুদিংদা।

অমরোমদা মাগীদমক খনবদা য়াম্ন। থুনা খোঙ থাংদোকে খল্লবা হংপ্তা অমা শাংদোকহনখি। এনা চংথ্রুগদবা সুপ্নগী সুমিৎ মরিনিজং রাংলিঙৈ শিলচরদা ঐহাক চংখি। শিলচরদী-দক চংত্রিঙৈগী মমাংদা সুনিতানা অচম্ব, ইমুং মন্নুংগী মওংগুম এগী ফুরিং কুদাম পানশিনবাখিব, পীরাংগা লোয়ননা ইথান্নুংদা ওইনা চাওবীগুম ওইনজখিবা পুম্নমক মমাংগী লমায়দা হায়জ-খ্রবফুনি। অদুনা নকশিন্নরিঙৈ মরক্তা হেন্না অমুক্তা নকশিন্নবগী মরম অমম্ব চাওনা ওইহনখিবনি।

ঐহাক মুমগীদমক খোঙ থাংদোকদবা সুমিৎনি। রামদাস বাথরুমদা লৈত্রি। শক্তী অংকল কদায়দনো অমা চংখি। ঐগী কাদা ঐগী পুগদবা পোৎ-চৈশিং ব্রিফকেশতা হাপচিনবা লাক্লরি। অকাওবা লৈবিত্রা হায়নম্ব মবক মরক্তা থন্দুনা ঐগী পুক্নিং ফাদৈ। তাপ্না অদুদা অরা শংক্রান পুরিবা অঙৌবা ফিজোলগী লৈত্তেংনা হেন্না নিংথিহনবী সুনিতা ঐগী নাক্তা দংলকখি। উপাই লৈত্রবা অমগুম লেপ্লী ঐগী মাংদা। মিৎলু নাপোম অনিদা পীরাংনা থুমহৎলমাল্লে। এনা ঙপ্প হায়রুই-' সুনিতা চংলমদাইগী মতম অসিদা অদুম্না তৌগম্বু।'' মহাক থাংবগী পাঙল লোইবক্লমানে য়াংনা চংশিন্নকুনা ঐগী হকচাংদা কোন্নরি। মখোল থোক্রা কপ্লকলে।

— সুনিতা কপকনে', পুন্সিগী কায়নগদবা নাক্তনা সে-সে

করিগী কপ্লিবনো কপকনু।

মাগী অাই অাই তুংলোমদা তারিবা শল্লাংশিংবু কোকথক্তগী অমুক্তং নানথবাতুনা হায়রক্নই অমুকনু— "সে, সুনিতা দদানা উগ্রবদি থোয়না নাতৈ চাররোই সে বরিমক্তা খল্লগনু" মাগী খোনহিক্নবা খোঙ্গেলবু কল্লা হোৎনদুনা কাক্তিল্লুবগা হায়রকই—

—কৈদৌঙৈ অমুক লাক্কদৌরিবনে ?

—কুইরক্লোইদা, থা অমা ফানা লৈরক্লোই।

—ফরে মতম অদু ফাওবদি নঙগী মাথৈক য়েংদুনা ঙাই-রমগে। ঐবু কাওথোকপীনু।

- করিগী কাউগনি। অদুগা নঙনা শামজবা মীহৈগী অঙৌবা কিসু ঐহাক শোয়দনা নঙগীদমক পুরক্কনি। ফরে ঐহাক চৎলুথিগেকো চৎলো দদা থোবকপা য়াই। মানা উথিবা হায়বসে নাতৈ য়াম্না চাদবনি।" মহাক অক্লম্বা খোঙথাং অমগা লোয়নদা কাদগী মপান্দা থোকখরে।

মুমিৎ অদুদা যুমদা থোবক্নে। বাবাদি ফরম্লে, অদুদ্ ইমাগী অাহৌবী লায়না অমুক হৌরক্লম্মী। ইম্ফালগী ডাক্তর অমং অাহৈশিং তানকদবদা মপান লমদা পুনা তাথি। ইমাবু বেঙ্গলোরদা পুদুনা মতম খরা লাইয়েংথি। মরক মরক্তা নঙনা মিকুপ খুদিংগী সুনিতাবু নিংশিংদবা নত্তে। ঐগী ইমা লাই-য়েংবগীদমক মপাল লমদা লৈথিবনা মতোন্দা চিঠী থানিংথিবনি। কয়াবকনু ইসা হৌথি অদুবু রামদাসনা থংথিবা ফংথিবা থোক্কব চিঠীগী মরম করি হায়না খনগনি খল্লুবদা পুম্নমক অরেম্ব ওইথি।

চুজিক্কি ইমাস্থু নাবা ফরে। ফজনা কল্লে। চহি অমগা মখাংগী মতুংসিদা। মসিগী খুদোংচাবশিং ফংহুনা লাক্লিবনি সুনিতাগীদমক, ঐনা মাগী পামজবা অচৌবা ফিজোলসে পুহুনা। শোয়দনা পুরক্কনি ঐনা মাবু যুংগী মৌ অমা ওইনা।

ভাইবমখিনি ঐগী মাযকৈ য়েংহুনা মতম যা অমা চৌগ্রনস্থু।

— সুনিতা ভাইবম্মুকো ঐ নওবু লৌবা লাক্লিবনি।

তরাশুবা শরুক

হোরোল শাংনা শাংনা খোংলকই শাংনা খে'লবপা হোবোনগী খোঙ্গেলনা তুংলম্বদগী মীকপ থোকলবপগুম নিংজিং মাংজিংনরকই। খুদাং ঘড়ী থাঙ্গৎতুনা য়েংলুই, সুমিৎ য়ুংবা পুং ১২ তারমলে।

- দদা নহুদি য়াম্না ফুংঙাইনগা লৈথোকলম্লেদনা; লাকও লম্বী শেম্বা লোইরে, গাড়ী চৎপা য়ারনি।

—"উচিন নাচিন্নদি লোইরবোইবে।" শোস্থা'ননা হায়খিব য়াহৈন্নি।

মহাক্না নোক্লতুনা হায়রকই -"করিনে' তুমলুবব্রা? লাকও ময়াম লোইনমক বসন্তা কাথ নহৌরবনি। গাড়ী চৎকদবগী হোবে'ন খে'ংলিবন্নিনি"

ঐখোয় অনি লোকী খো' অমুবু থাদোকলম্লে গাড়ী স্টার্ট তৌবগা লোয়ননা খজিক খজিক মরি মরি থৌগৎনখ্রে। ঐখোয়গী বসন্তুম্ব উচিন নাচিন্না লৈবাক কিম্বুখিবা মফমদু

লানথোকলম্লে। হেক রাংমা লানখিংগা গাড়ীগী খোঙজেল হাংখৎলক্লে। ঐহাক ত্তাপ্তা অসিদা চুবরি থাল্লক্লবনো হংখি, ফম্মিন্নরিবতুদা—

—নঙগী মিংদি করি কৌবা?

—আশা। (য়াম্না শন্না হায়দোরকই)

—অদুদি আশা য়াম্না চাওরমগদবা মাল্লি।

—উম য়াম্না চাওই।

ঐখোয় অনি পুন্না নোকমিন্নদি। মহুগী তুংদা রাহৈ মখা তানখিদ্রে। গাড়ীগী অয়াঙবা খোঙজেলদা নৈহৌরি নিংথিরবা মফম কয়া তুংওইননা। অদুম্না পুংথাই অমরোমদি চৌখিরম্মনি। নোংনে যৌগদবা কিংনিং অংরোমদমক রাংলিংদা এক্সাইজগী চেক পোস্ট অমদা গাড়ীশিং থামলম্লে। এক্সাইজগী মী অমা অনি কাপংতুনা অতোপ্পা গাড়ীদা তৌবগুম ঐখোয়গী গাড়ীদসু মনিংদগী মথং মথং তৌবকপা হৌরক্লে। মনিংগী পালি লোয়-রমাল্লে। ঐখোয়গী ভগা য়োংকই। লম্বী চংফমদা থমলিবা ঐগী ব্রিফকেশতু মখোয়গী মমিত্তা করি ওইনা উক্তরবনো হায়লকই—

—মসিগী মনুংদা করি করি য়াওরিবগে?

—ফি-রোল থক্তনি।

—অনুত্তা হাংদোকপীয়ু।

ঐহাক তুরা ঐগী ব্রিফকেশতু হাংদোকই। হাংদোক্লবতুদদি অশেংবতু থঙলমানে হায়বকই— "য়ারে য়রে থুংজিনবীবো।" ঐহাক ব্রিফকেশতু থুংজিল্লি মখোয় চেক তৌবা লোয়রে।

অমুক গাড়ী চংশা হৌরে। থঙহৌদনা আশানা হায়রকই -

—দদা মীতৈগী পুংঙৌ ফনেক অমদি ইন্নফিহু কনাগীদমকনো ?
ঐহাক থংপ্রেক থঙই, নোকনিংব অ সুং ইকাই ফুংশি য়াম্বা অমম্ম ফাওরকখি। ঐনা ফাগী তৌরহনা খুন্নী-' হুজিক্কফাওবদি মসিগী মপু লৈতে। ঐনা য়াম্ন হুংশিব' অমহেক থেংনবদা পীরমগদবনি।" ঐগী পাউথুমদু তারগ' নোক্লহনা হায়রকই —

—মহুদি মহাক্কো লাইবক য় ম্না ফৈনা

—উম।

—মশাক্কী খঙনিংঙ্গ্রেদা।

— নোংমা শোয়দনা খঙলকখিগনি।

— ঙাইবা অরেদনা।

অস্নুম্না ঙাইহাকপু নোকমিন্নখি কিঃমিঃ অমগী লম খঙহৌদনা য়োশিন্নকখি হুংঙাইবা কাগীগী রারী মরক্তা। খাম্নবে পেসেঞ্জর পুবা বসশিংদু পরেং পরেং ওইনা। নোনে য়াম্না পংচাও চাওবা বাজারনক্কি ওইদে। অদুম ওইনমক মী অমা ওইনবগী পোংচংদি শুনা ফংই।

বসত্তগী মইহৈ ১ টৈ কুমথনবা হৌরক্ল। ঐনা আশাদা হায়খি — আশা নঙদি চাক চারবোইদ্র ?

—ঐদি চাররোই।

—করিগীনো ?

—চানিংদ্রে, লমশাং লাকপগী হকচাংদি কৈনোমা ইত্তৌ তৌই।

—অদু ওইরবস্ন খরদি চাক্সিদনা।

মহাক য়াদ্রে। ঐনা কনা হায়রকাওবদা ময়াদ্রবদা ঐগী থক্তি লৈদ্রে। ঐহাক চাক চারুখিগে হায়রম্লগা কুমথরক্লে। মহাক অদুম ফমহৌই।

মানা মানা থোকপা অপাম্বা হোটেল থন-থন্দুনা চংনরি। য়াম্নবদা হোটেল অদা মী তবা হেন্নদি অদুম চংনৈ। ঐসু ঐনা পামজবা বামোন হোটেল অমা থন্দুনা চংলক্লে। চেক চংখিবদা করি করি তৌসিগে হংলকপা মাহৈগা লোয়ননা তরাম তরাম একলকই। ঐসু ঐগী অপাম অপাম্বা থন্দুনা পুক পাক থম্না চাশিল্লে। হংলকই নিপা মচা অমনা—

—ইয়াম্বা করি করি য়াংলি?

—য়ারে য়ারে। ঐগী কয়া তারবা?

—"লূপা কুনমত্তাখক্তনি।" মথোয় মশেন হংনরবা মতুংদা খুমলকপা পাউখুংনি।

পৈশা পীরমলগা থোকলকলে। মাওদা লৈরিবা শোয়রোকী মত্তাইদা ইক্ষাংল্লোমদগা লাকপা গাড়ীশিং পরেং ওইনা খামচুনা লৈরী। মবক্তুদা ঐনা তোংলকপা গাড়ীসু য়াওরি। চাক চানা লোয়রদনিনা হেক্তা কাথংপা য়ারবনি অদুবু হায়ফেত্তংদি মুংশা য়াক্তবা পামলি। অদুগা আশাগীদমক্তস্ন করিগুম্বা থরদি লৈবা চুম্মী থন্দুনা খোড থাংদোবকপদা মত্তাইরি অদুন থরা ওক্তশিল্লবা অমগা লোয়ননা ঐগী মায়কৈদা চঙলকই। অদুন অদু ঐহাক নিংশিংবা থোক্তনা উখ্রবগুমসু তৌই। নিংশিংবশী মমিদি লাম্না থমখ্রে থোইনা থল্লুদ্রে, খঙলুবগী কাম্নবা লৈতে থল্লুবননি।

মাংখায় অনি নকাশিল্লবই। ঐগী ইমাংমক্তদা কেপ্লাবে। অত্তবু অওক্পনি অহন্দু ঐঙোন্দা চাগদবমথৈ য়েংদুনা লৈরৈ। মিকুপ্পু দদি মত্তগী অর্থ ঐ খঙথিদে। আশানা শক ভাক্লবই অহন্দু—"তু দদা এখোয় ইমানি। যুমদা হনগদবগী লৈরম্বনি" ঐহাক চংক্লরি। ঐ বরিবম্বা অমত্তম্বু হায়ত্রি জাইহাক ভুমিম্না লৈমক্তরগা অহন্দুনা ঐঙোন অম্না থুদোনবী থিন্দুনা হংবকই-

--"ইবুংঙো নঙবু সুনিতাখোইদা লৈরম্বা ইবুংঙোহুবু কত্তবরনে?" ঐ খাক লাওই তোংশাগী তুহাওশিং অংদি কোক্কী শম চপ যুংখিবা মিকুপ অমগী মঙুংদনি। অমুকম্ম মখা লাবকই--ইমাবু খঙত্রবররনে? মতম কুইররগী মমাংদা নঙগা সুনিত্রাগা ইমাগী পোংফম্দা বমলা চংনিংহুবু নিংশিং বা থোকত্রববা ?

ও! ঐহাক নিংশিংলক্লে। অমিং অত্তু করম্না কাওগনি। নিংশিংলি মাগী (সুনিতা) অবোনবা লিবাংসু।

—"ও! ইমা ঐবু ভাকদিবু, হাম্নরা খংভৌদ্রে। মুংভাংবা ইংলি, আশানা অমুকম্ম হায়রকই ঙক্না—

— ইনা দদাগা হাম্নরা খঙনবরা ?

—উম, কদাদি কুইরে উনদিদবা। চহি অনিদি কারক-দোবম্লনি।

ইমাগী মাহৈ ঐগী মীবোকনা পাউথুম পী। অহুপা ওনা হংলুই—"ইমাবু কদাইদা চংলুব্রিবনো?

—ইবুংঙো শিংনবগী লানফমনি। মফমসিদগী ইফাং নাপী

লৌবা লাক্লম্মিবনি।

—ইস, ইমা অমুক শাংবা, ভাল্লা হেক্লা চংলমগনি।

—মচুদা হায়রছুনি।

মসি হায়নছুনা ঐখোয় অছুম পুন্না পাঙ্‌লোমদা লাক্লে। অশা ঐখোয় অনিগী ফমকমচু য়োৎক্লে ঐনা হায়—ইমা সিদা ওইনা ফম্বীরো।

ইহে নঙদি কদায়দা অমুক মনগদৌরিব ?

"—মচাগীদমক্তদি পোকখব" অমা লাকনি।

—নক্তে নক্তে নঙতুম সিদম্মম ফমজোদা।

—য়াম্নি ইমা, ঐহাক মোরংক্লা কৈদো অমদা অছুম ফম্মগে।

হাংঙ্গাসিদা অশা অমুক পরপ পরপ কুমথক্লে। কন্নি ঐ অমদি ইমাস্থু মরম ঐহাক নক্লবগী মপু লাক্লবা সীটতুদা ফমথরদুনা অমগা লোয়নদা—

—ইমা স্থমিত'হোই কমদৌরি ?

ঐগী রাহংদা কুচু থাংশিনক্লে। ইমাগী অহুৎহ্ব এগী রাথন্দা অদি থলহনখি। ইমাদো কুইনা পাউখুম পীরকথে। কাইনখংঙ্গা য়াম্না অর্থ লৈবা অমা হোন্দে ব্রগা হায়নকই।

—ইন ডো ফরি হায়না তমগনি।

—করি ঢেদোরগে ?

—রামদাস মনবু পুদুনা কলকত্তাদা চনক্লে

মশিং থঙ্ত্রবা নোংথক্কী ব্রজ শীংজনা ঐগী কোকথকসিদা
নম্বরকলি। ঐহাক থাজবম্ম ঙমদে। অমুকম্ম হংজুরি—

— অশেংমক্কীরা ইমা?

—উম, চংখিবা ঙসি নোংমা নিনিসিদা মঙ্ঘ্রইরি।

ঐগী শরু ফুনগৎলক্রে। ঐগী অরাবা করম্না কোংদোক্লমি।
পুক্নিংসিদা অরাবগী মৈচাকনা থুমহৎলম্মী। অতুম ওইনমক কন্না
ফাথনবা হোৎনরব মতুংদা হংজুই মরুম; মরমঙু তাকলকখি
চিংথদনা—"থা অমমুক্কী মমাংদা মপা মশক থঙদবা অঙাং অমা
সুনিতাগীদমক ফংজখি। মঙোন্দা থেমহুনা নৌহুনা কন্নারক মপা
মশক তাক্লবা হায়রিশি অহুবু হুংদা ঈশিং চাইবগুম্বনি, মপা মশক
তাকখিদে।"

রাইহেসিনা অমুকা হেন্না কয়াদা শাথিহল্লবনো। কম্না কন্না
কম্মী হায়বা কাওখ্রে। ঐগী শাগৎখিবা মঙলান খুদক্তুমক্তদা
কায়রে। ইমাহুনা মথা তানা হায়রকই।

—"মাগী অহুগুম্বা রা চেংপা অহুনা মাবু লৈকাইনা লান্না
উনবগী চাওরবা মরুম অমা ওইখি। মতম থরগী মতুংদা মীপুম
থুদিংমক্না ঙাঙনরকই, সুনিতা ওক্কর্ব নি; নোংমা লৈকাইগী
অহন লমম তিম্নহুনা মথোয় ইমুং মতুং হুপ্না তাম্হেক্লবা রাম্বেপ
লৌনখি। অহুবুসে ইবুংঙো অঙকপনি লৈকাইনা চে পীদ্রিইত্তেদ
মথোয় পুন্সিগী ওইনা ঙিরি থাদোকলমহুনা কলকত্তাদ চৎখ্রে
চংলমদাইগী মতমদা ঐগী ইনাক্তা লাক্তুনা য়াম্না কপলম্মী।
ইমাম্বু য়াম্না কপখি। ঙসিফাওবা মরগী অরোইবা রাইহেম্বু

নাকোংসিদা যৈহুনা লৈহৌরি "ইমা অঙাংসিনা মরম ওইহুনা লমসিগী জাতি ওইদ্রবসু লমসিদা ঐদি পোকপনি অহুবু মফম অসে থাদোকুনা চৎপা তারে। ইমা করিসু থঙজদ্রিবা ইচাসে মাঙহনখিবা কয়ারক য়াখি অহুবু মপা মচা ঊনহৌদবগী পাপু, ঐনা শোয়দনা পুগনি অহুগা অমরোমদনা মচা হাৎপা ওস্বী মমা হায়বসু ওইরোই ঐদি ইমা। অহুবু ইমা, ঐগী ইচাসিনা চাও-রক্লনা মতমদা মপা শোয়দনা হুংলকখিগনি মহুদা ঐনা করি থুমগনি? ইচাসিগীদমক ন্দুনা ঐহাক হিংখিনি, ভাইখিগনি অঙাংসিগী মপা। অহুবু ইমা মহাক ঐগী খোঙ্গুল অমুক হন্না লীরকখিগনি হায়বগী আশা লৈরকত্রে। ভাইরম্মী আশা অমগা লোয়ননা অরাবা পোংলুমসে পুহুনা মহাকী ম মৈক য়েংহুন ইমা অহুবু ঈশ্বরনা ঐবু চানবীত্রে।

রারী লীরম্মীবা ইমাদো খোঙ্জেল ফাজিনখ্রে। ইফোং ফোংনা কপলকলে। ভাইহাক নিংঙদনা কপলুবগা খাংচেৎকী ফিজিন পাঁয়াং তৈথোকুনা হায়রকই—"থওদেদা ইবুংঙো ইমাসু য়ায়া মুংভাইতে, ঐসু থঙই, মহাক ওক্লবী মুপীমচা অমা নত্তে। অহুম ওইনমক ঐনা কয়ারক হংখি অঙাংহুগী মপা, অহুবুনে কাপ্পবা ফংখিদে, মহুগী মহুত্তা হায়রম্মী—"ইমা ঐ ওত্তবী অমদি নত্তে। ঐগী ইচাসে অশেংবা মপা অমত্তগী মচানি। থম্মোয়-মুংদা লাংচত্রবা মহাকপু ঐগী চীনসিনা মশক মমিং পনহৈনা কৌনত্রা।" মসিনি মাগী থোনা ফনা থুমখিবা পাউথুম।

ঐহাক অফিং-অফাই ওইনা ঐগী ব্রিফকেশতু পায়থত্তুনা

ইমাদা হায—"ইমা ঐ নৈহৌরগে।"

—এ! কৈদৌরগে? (ভক্না হংলকই)

—ইমা মখোয় নৈত্রবদি ঐ কৈদৌনকনি।

- অদু ওইরবসু য়ৌরগনি হন্নুদনা। ভসিদি মখোয় নৈত্র-বসু ইমাগী য়ুমদা নোংমদি পন্নুদনা।

— নত্তে ইমা, ঐহাক হঙত্রগে নোংমা শোয়দনা ইমাগী নাক্তা লাক্কে।

- ফক্কে ফয়ে, অদো মচানদি উনৌদনা।

ইমানা হায়হৌই অদুবু ঐহাক অঙুম কুমথরক্কে। পুক্নিংদি শুঙ্গদা তাওরি। ঙেক কুমথরকপমক্তদা কৌরক্ই, মচু আশানি। মখুত্তা কমলা অহুমথকসু পায়রম্মী—"দদা সেসি চাও" কমলা অমা পীরকই। "নাত্ত আশা ঐ চাররোই। ঐহাক অমুক হনবা তাবে" ঐগী র.কৈদা আ। কেপনা থনত্রমাক্লে হায়রকই—'এ! ইক্কালদ। হনগদৌরিব্র'?

উম।

— কদিগী হনা?

- কুরিথত্ত অমঙীনি।

.সি হায়দুনা ঐগী ইমাকেন হাংদে দুন পুদৌ কাং কুপা হ্নফিদুনা চৌথোক্তুনা আশাদা পীরম্মী। 'সে আশা মসি ওঙী ওইহৌবে" ঐ.পৌশাদনা হাংদেদুন নৈরিবা ত্রিবৰেশতু থমজিল্লি থুত্তা য়াকপিন্দুনা চৌগংলকপদা আশা মিং বুপুরমথে ঐবু চাগদবনথে থেংদুনা নৈরম্মী। মাগী অহুত্তবা মতৌহদা

ঐনা খিত্তং নোক্লহনা হায়রুই---

---"কৈদৌরে আশা ঐঙোন্দা অহুক মুম্না য়েংলবহুবু। সে, কমলাসে ঐ অমদি চাহৌরগে।"" অসি হায়হনা মথুং লাম্মদা পায়রিবা কমলাদো মশানা পীরবগা ভাইদনা লৌখি ঐনা অহুগা অহুম থোরক্লে। মহাক মচি অমা কাওবা লেংদনা অঙৌবা ফিশিংদো পায়রগা য়েংহনা লৈহৌরি ঐগী মায়কৈদা মিং থমহনা।

মথংগী ত্রিকুপ্তা করম তৌগ্রবা ঐ নিংশিংবা থোকত্রে। ঐনা নিংশিংবা হায়রবু পেসেঞ্জর পুবা বসশিং মথং মথং থোগংনথ্রবদা থোঙনাওদগী মঙক লিংথোকুনা তনৌরবা খুংশা-হনা হাই-হাইহনা চংশিনবহনি। ঐন্দু মিংয়েং লান্ত্রি কাওবা খুং হাক্তনা হাইনা ইম্ফালগীদমক বস ভাইহনা লৈহৌরি অরাবা পোৎলুমসে পুহনা।

=★=



অইবগী মথং লেপ্পদবা লাইরিকশিং :

১. আঙৌবা ফিজাল (অনিশুবা শরুক)

২. কিজরুবনা (য়ারি মচা)

৩. ব্যাক্রিয়ার অমসুং মঙ্ (উপন্যাস)